থম্বালঙাংবী

(উপন্যাস)

লেংজবা —

শ্রীগোতুম্না রাজকুমার

এক্স-এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী.

মণিপুর রাজকুমারস' এসোসিয়েসন।

ইম্ফাল।

মমল রুপ. ৫'৭০

কচ্চবা

মণিপুর সনা লৈবাক্কী লৈরাংমানবী ইচল লৈশাবীশিংগী মথদা কবিরত্ন খংজদ্রব গ্রন্থকার ঐহাক্না ইচনাশিংগী খরদং কান্নগত্রা ...না 'খম্বাথোইবী' কৌবা উপন্যাস অসি ভর্ণ্ণগী লেম্পাক্না পাঙুনা লোকলুক্না কৎচরি। লৈরাং মানবী ইচনশিংবু মতম ... কুইবা অসি পনেম পম্বোগী খুৎতা শিন্নহনা সমাজনা ... কাওবা য়েংলরি। তোইউপুরুষহুং গনতন্ত্র চৎপা ভারতবর্ষ ... লৈবাক অমিমশুদা মসি মকমগ চংনদবা মরম অমা ওইরে। অসিনা কবিরত্ন খংজদ্রবা ঐহাক্না ইচনাশিংগী খরদং কান্নগত্না ...না লেংজবা 'খম্বাথোইবী' কৌবা উপন্যাস অসি অমুক্কদি ... তাবিনবা লোকলুক্না থুকমজরি।

গ্রন্থকার—

শ্রীসেতুম্বা রাজকুমার

ৱাঙ্খৈ লোংখোম্বম লৈকাই, ব্রহ্মপুর।

ইম্ফাল।

ব্রামাণ্ড থাবা

শ্রীসেতুন্দ্র: সিংহ রাজকুমারনা লেংবা উপন্যাস 'থম্বালঙাংবী'-গী মরমদা ব্রামাণ্ড থাবদা বাকৈ অম-অনীদং ইবা ওহসি মান্না মুংঙাইনঙাই মশক্নী।

লোইর্জেশুনা উৎনিংলিবদি গোপীকান্ত কৌবা পাখং অমগা থম্বালঙাংবী কৌবী নৈশ্যাবী অমগ মথোয় অনীনা মুংশিংম্মুং তারখিবগী মায়োক্লনী। মতুপা ইরে ইনলা গোপীকান্তগী মরূপ নীলকান্ত অমসুং থম্বালঙাংবীগী মত রেম্ম শরোশংবীগস্ত মুংশি পন্থ্রংলৈর। পাখং নৈশাবীগী অপাম-মুংশিগী রাগ্নীনি লাইরিক অসিনা উৎলিবা। শকক্তেনবী থম্বালঙংবী হ ময়বী সুপীমচাশিবু মিংচংপী অম ওইনা খৈর্জেনা উৎলে। অতুনা পাখং কয়াগী থম্মোইকুপী ওইবী থম্বালঙাংবীবু পমজবা মরক্তা মুংশিখঙদবা ইবোতোম্বী কৌবা অমনা লৌথোরকপ থবক্তা উপন্যাস অসিগী মপুঙ ওইবা মচাক ক্লিয়। অক অক্তা অনীগী লাইৎংপাম্মা মরৈমদা অকথনা ওম্বী ক'রবা মতুংইন্না মুংশি থঙদবা ইবোতোম্বীগী খুজিল থৌরাংব মীগী কাম্নবা লৌবদা কাংলেংনিংদবা ডাক্তর গোলাপ কৌবা লিপা অমগী খুজিল থৌরাংগা মাম্নখিবা পিড়না থম্বালঙাংবীগা গোপীকান্তগা অনীনা মুংশি পন্থ্রংলখি।

লাইরীক অসিগী মমিং থম্বালংঙাংবী কৌবী নারিকাগী মমিং লৌরগা থোক্লি। লাইরীকসিগী মিংথেল মপু ওইবী নুপী অসিগী কবি মগুণ লৌখৎতুনা থোর্জেশূনা মাগী লাইরিকপু মিংথেনখিব। লাইবসি থমনিঙাই বাকম অমনি। লাইরীকসি হৌবদগী লোইবক্তা ওবা পারগা হায়মনিংবদি থম্বালঙাংবীনা গোপী-কান্তবু হেক উবক্তুনা মথক্তাই কৎথে কপিবদগী পুক্নীং লোঙখিদবা মতৌদুনা ওইবা তাই। অদুবু থোর্জেশূ মশামক্তা বাখল অতোপ্পা অমা লৈরম্ম য়াই। পুক্নীং লোঙদবগী হায়রু মগদি গোপীকান্তস্তু থম্বালঙাংবীদগী বাৎপা মী অমা নত্তে।

লাইরীক অসিগী লোন্দা পুন্নাগী মতাংদা হায়রিংবদি প্রসাদগুণ চেনবা লোন্দানী। অপুম পাথক্কপদা বাখল-তুংইন ওইবদা নত্তনা অর্থ থন্না পাথবগী সুংঙাইহনবা লোন্দানী। লোন্দি পুম্না আধুনিকনী। হৌজিক কৌজিক অনৌবা থোর্জে-শিংবা শীঙম্নিবা লোন্নী। অদুগা মরক মরক্তা দোষ ইথেং থেংনদবদি নত্তে। মীওইবা মপুং ফাবা জীব নত্তে।

কবি কবিগুম্বা মতাংদা থুৎইমতগী দোষ থম্দি উই। কবিগুম্বা থৌদোক অমগী পাও তম্বদা পাও তাম্বিবা মী তোঙান তোঙানবা লাকপদা লাইরীক পাবা মীনা থেংনখিবা চাজককুবা পাও অদু অমুক্তা নৎতনা অনিরক অহুমলক থেংনবা য়াওই; পাও তাবিবা চরিত্রশিংগী মফমদদি পাওনৌ ওইনা থোক্লবস্তু লাইরীক-পাবা মীগী মফমদদি চক্তৌক ওইনা থোকই। অদুনা অকোন অকোনবা মতাংদদি পাওতম মওংতু হোংহম্নীংঙি।

লাইরিকসিগী মরমদা থনজু থনজুমগা মা অমা হেক থরকয়ি। মচুদি থম্বালথাংবী উপন্যাস অসি ৺ডাক্তর কমল সিংহগী মাথবীগী খুৎহই লদেলগী মখি ভাবমাল্লি।

অয়োমবদা হায়রিংবদি খোর্জৈশু অসি তন্ত্রবদি মহাক্তী খোর্জৈবু ইচেল নাইবা ভূরেনগুম চেম্বহম্মুনা হিদেন খুদিংদা সমাজ সেবা নিংথীনা তৌবা ঙমগনি। মচুগীদমক শ্রীকৃষ্ণ ভগবানগী খুয়াথাদা খোর্জৈশুগী ওইনা থবাই মচা য়াওনা খুরুমজয়ি। ইতি

শীতলজিৎ

তাং ২২।২।৭৯ ইং

ৱাহৈ অমনিদং

শ্রীরাজকুমার সেতুসনাগী অহানবা কোঙবা উপন্যাস — "থব'লঙাংবী" গী চেফা কয়ামুক হাইদোকতুনা পারে। চহী য় মশংচক্লুবা সংলাক সেবক অসিনা মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্যগী সেবাদা নোংমা খে ওদারকপস নুংশিনীংঙাইহনি। লাইরিক অসিদা ডাক্তর কমলগী "মাধবী" উপন্যাসকী বারীগী শকক, খোংস্নোক অমসুং ছন্দগী মখি ফনা নিংথিজনা ঙাই। অদুবু বরীংক্তি মতম অসিদা থোকপা মোইরাং অমসুং ইম্ফাল লমদমগী বারীনি।

রোমান্টিক ওইবা উপন্যাসকী মশক হায়রবদু— থোকপা য়াত্রা য়দত্রা হায়না খংদবা নত্তে। অসিদু ওইথোকপরনে — হায়রবা য়াকং অসি রোমান্সকী বারীদা হংনদে। লেখক্না অপাবদা হংজরি—অত্তম্না থোক্লুবদি ফংঙোইত্রা; উৎলিবা চরিত্র অমসুং থোক্লুবা থৌদোক অদি ফজত্রা নুংশিত্রা? "থবালঙাংবী" উপন্যাসতদু থোকপা য়াবা য়াদবগী বাহংনা মপুং ওইদে। অসিগুম্বা মতম অসিদা মফম অসিদা চরিত্রশিং অসিনা উৎলিবসি নুংশিত্রা ফজত্রা হায়রতুনা হংলি। ঐখোয়সু খুবনিংই -ফজৈ, নুংশি।

চয়াংনয়বা, লমতাং মাঙনয়রক্লবা যুগ অসিদা মতম অসিগী মীওইশিংনা লাইরিক অসি প্রোয়স্থ তুনা চেনা খরদং থাংদোক্লবদা থেংনগনি—মাঙথ্রবা য়াম্না অমা, থম্মোয় গী সুংশিরবা মশক অমসুং লোয়না থুপনা লৈরিবা কতবা কয়া। অহল এইরক্লবা লেখক অংগী বল্লনাগী মশক্তি খললুংদসু থোইনা সুংশি। মম য়োন অমসুং স বিত্যবু সুশিক্লন ওবদ দন অমত। তেল্লব পূস্নি সদ থমজরখ'ন হ মনা যুগ কয় গী মতুংগী খ'ওইনা নোংলৈন থেংনবদসু সুংশিবা অমা শোয়দনা কাওগনি।

এলাংবম নৈকাম

২২।২।৭৯

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

ৱাহৌদোক

মতম কুইনদগী ঐহাক উপন্যাস ইনিংবগী ইথৌলাংবা অসি কুইশিনখ্রে। রাজনীতি য়াওথবনা মরম ওইথত্তুনা ইনিংবা কোঞ্জায় ইবা ঙমদত্তনা লৈজরক্লবনি। রাজনীতি য়াওজত্তুনা মতম কুইনা ইবা লৈরাক ভারতকী সেবা তৌজরকপগী মহৈ ওইনা মণিপুরী সমাজদা অরাংপা অমা উজরক্লে।

চৎনবী অমা ওইনা মণিপুরী সমাজদা লৈরিবা ইচম লৈশাবীশিং অসিগী দায়ীত্ব অসি মখোয়বু পোকপারিবা পলেম পম্বোগী ওইথনা লাক্লে। অসি কাওবা ইচম লৈশাবীশিং অসিগী দায়ীত্ব মণিপুরী সমাজনা লৌবিদ্রে। তৌইগুম্বগুং গনতন্ত্র চৎপা ভারতবর্ষগুম্বা লৈবাক্তা মসি মতমগা চানদ্রে। মসিনা ভারতবর্ষগী শাস্ত্রশাদা অকায়বা কয়া কয়া খোকহল্লে। মরম অসিদগী ঐহাক্না "থম্বালঙাংবী" কৌবা উপন্যাস অসি ইজবনি।

পাবিরিবা ইবুংঙো ইবেম্মশিংনা ঐহাকী উপন্যাস অসি অসুম অসুম মিয়েং তাবিরকপদা থেংনবিরক্লনি— পলেম পম্বোগী অমত্তা ছাইরবী অয়ুক্কীনা কেরো সুমৎ অহিংগীনা থাজ ওইরিবী, মশক ফজরবদা মণিপুরদা লাম্বা লৈতনা ফজরবা মোইরাংগী লৈশাবী থম্বালঙাংবীবু মোইরাং লৈশাবী শেনগৎপগী সংস্থান মোইরাং সেবা সমিতিনা তেঞ্জ কায়দনা শুরোংবিখিবা। মসিনা উপন্যাস অসিগী আদর্শনি।

ঐহাক্কী উপন্যাস অসি সমাজিক উপন্যাসনি। হৌজিক হৌজিকময় মণিপুরী সমাজদা থোক্লুবা থৌদোক কয়াগা মরী লৈননা সমাজ সংস্কারগী থোংদা ইজখনি। অমত্তোমদা উপন্যাস হায়বসি ইতিহাস নত্তে। উপন্যাসকার অদুগী Creation নি অমসুং মদুদা উপন্যাস অমগী হৌখবী মওং তনা থাপ হুনা আদর্শ অমা উৎপত্তনি। উপন্যাসকার অদুনা শাগৎলবা কিরবা, ভাবদা তু চুংলবা, ওক্ল-ওক্লবা থৌদোকশিং অদু থেৎচিন্দুনা পুংজাইথ্রবা ব্রারী অমা লীবানি। অদুগা উপন্যাস অদুদ য়াওরিবা উপন্যাসকারনা শাগৎথ্রিবা মথক্তা পনজখাৎরবা থৌদোকশিং অদু য়াম্ন মাপহনখা, ওইদা ওইরবোই নিংহনবা অসিনা উপন্যাস অদুগী লৈত্তেংনি। উপন্যাসকার অদুনা মতাংচাবা য়েংজুনা মহাক্কী মোত পীনৈ। নায়ক নায়িকাগী মরীদদি ওয়া মথৈ নক্লহল্লি। ঐহাক্কী উপন্যাস অসিদা উপন্যাস অমগী মওং শুনা য়াওরে হায়জবগী য়া নৎচদে, চুম্নগী ঐহাক্না থংজবা খরদং হায়জবত্তনি।

ঐহাক্কী উপন্যাস অসিদা মোইরাংগী দৃশ্য থারকপদা অমসুং অতৈ অতৈ পান্দুপশিংদা historical background অমসুং memorials খর খরন্থ থেৎচিনবৈ। মোইরাংগী দৃশ্য য়েকলকপদা মজা ইবেম্মা লাংলেন থোইবী পল্লমত্রুথদি মপুং কাদবনা মজা ইবেম্মা লাংলেন থোইবীগী মরমদা খরদং লৈহেকচল্লি।

উপন্যাস অসি ইবা লোইরবা মতুংদা মণিপুরগী কাওরবা কবি অমসুং উপন্যাসকার শ্রীরাজকুমার শীতলজীৎ অমসুং প্রোফেসার মীনকেতনদা অশোয় অঙাম য়েংবিনবা চৎচরুবদা হরাও ৱরাওনা তাকপিখিবা পাওতাকশিং ঐহাক্কী খম্মোইদা কাওবা লৈররোই। মণিপুরদা নত্তনা ভারতকী ওইনা কনা প্রেমী অমনি হায়না খংনরবা প্রোফেসার শ্রীএলাংবম নিলকান্ত সিংহ অমসুং ইকাই খুম্নরম ওইবা শ্রীরাজকুমার শীতলজীৎ সিংহ ভদ্রলোক অনিনা ফোরৱার্ড ভৌবিবগী ভৌবিমল খংবা উৎচরি। ঐহাক্কী সুংশিরবা ছাত্র গৌহাটী ইউনিভর্সিটিগী মেট্রিক পরিক্ষাদা ইউনিভর্সিটিগী অহুম শুবা পোজিসন্দা লেপখিবা শ্রীহজরম গোকুল শর্মানা ঐহাক্কী biograpby ইবি। মহাকপু ভগবাননা মঙ্গলাশীর্ব্বাদ পীবিবা ওইসনু। ঐহাক্কী Class follow তরুন প্রিন্টিং ৱার্কসগী প্রোপাইটর শ্রীথৌনাওজম তোম্বা সিংহনা প্রেশকী তাম্র লৌবিদুনা ঐহাক্কী উপন্যাস অসিবু লৈবাক মমাংদা পুথোকচবা ভমজরিবসিগী দমক ভৌবিমল খংবা উৎচরি।

অরোইবদা, লাইব্রিক অসি ফোংননগীদমক মণিপুর স্টেট কলা একাডেমীনা পব্লিকেশন সবসিদি পীবিবগীদমক হয়া হয়া থাগৎচরি। ইতি

তাং ২০। ২। ৭৯ ইং

শ্রীসেতুম্না রাজকুমার

ঐখোয়গী ওজা শ্রীরাজকুমার সেতুম্বাগী অশঙ্বা পুন্সি ৱারী

ঐখোয়গী ওজা ইবুংঙো শ্রীরাজকুমার সেতুম্বা ইং শোক ১৯১৫ গী অক্টোবরগী তাং ৩১ নোংমাইজিং সুমিৎকী সুমিদাংদা ৱাংখৈ নোংখোংবম লৈকাই ব্রহ্মপুর ইম্ফালদা রাজকুমার বংশদা পোকখি। ওজাবু পোকপা পম্বোগী মিংনা মনিকম্বা রাজকুমার (স্বামনিক রাজকুমার) কৌই অমসুং ওজাগী পলেম অপোকপীনা ৱাহেংবম নিঙোল থমচেৎশীজনি। বীর টিকেন্দ্রজীৎকী লান্দা লানগায়নবদগী ডি, এম, কলেজ মমাং যমুনা তোরৈ চেল্লিবা মফমদগী ওজাগী পাবুং স্বাখ্যা ৱাংখৈদা হোংলকখি অমসুং মরম অসিদগী ঐখোয়গী ওজা ইবুংঙোনা মথক্তা মফম অসিদা পোকখিবনি হায়না তাবৈ।

মীনা লাকচবা য়াদবা, লাক্না ফানবা ঙমদবা, থবক্তা অমসুং ৱাদা চুমজ্রিং চুম্না ঈচং থোনা চংশিনবনচিংবা গুণ কয়া ওজা ইবুংঙোগী অঙাং ওইরিঙৈদগী লোয়নরকপা গুণশিংনি। ওজাগী অহানবা বিদ্যা-মন্দির ৪নং কোংবা এল, পি, স্কুলমা ওইখি। মতাং অসিদা ওজাগী অহল লম্বননা ওজাগীদমক পামজনা থোনখিবা তোঙ্গোনস্ন। হায়বা মিং অদু মহারাজ চূড়াচান্দ সিংহগী হুকুম অমা লৈখিবদগী মতম অদুগী স্কুল অসিগী ওজা মাইমা জয়চান্দ্র লৈরম্বা অথামগী ওজা তোমচৌনা সেতুম্ব, হায়বা মিং অসি থোনবীখিবনি অমুম হায়না ওজা ইবুংঙোদগী তাবৈ।

মিং অসি মণিপুর গভর্নমেন্টকী মতম অমগী কলেক্টর ওইরম্বা মাখ্যা সেতুম্নাগী মিংগা মান্নরুবদগী ওজাগী পুন্সিদা ইকাইবা পুংশি কম্না কংবগী অমসুং ওজাবু মাখ্যা কলেক্টর ওইনা থগদবা মীনা হেক হেক লৌবগী রাস্তু ওজাদগী হেক হেক তাঙ্গে। ওঝাগী লাইবককবা অমসু মসিদগী ওইনা ওঝাগী মিং অসি খ্রয়না কেন্না শকখঙবা অমসুং কাউগন্দবা অমা ওইরসিনি। ঐখোয়গী ওজা ইবুংঙোনা একাডেমীগী সর্বসিদ্ধি ফংদুনা ফোংজবা 'অরোমকুমার লৌশংবা' কৌবা লাইরিক অসি য়োনবা চৎপদসু লম্ন লৌবগী রাক্ষদ অাস তোইনা ফংনবগী রাসি ওঝাদগী তাঙ্গে। মসিনা ওঝাদা নুংঙাইবা অমসু হেক হেক পীবগী রাম্নুনি হায়না ওঝানা তাকপি।

ঐখোয়গী ওজা অঙাং ওইরিঙৈদা লাইরিক্তা থরায় মাম্না মাওরম্মী। ইংশোক ১৯৩১গী হৈতি ইউ পি একজামিনেসন্দা ওঝানা মণিপুরগী মকোক ওইদুনা ছাত্র বৃত্তি ফংলম্মী। মতুংদা জোনস্টোন হায় স্কুলদা কারম্মী অমসুং স্কুল অসিদসু গুড কনডক্ট অমসুং রেগুলার এটেনডেন্সগী মনা কম্না ফংখি। ওঝাগী থোই-দোকপা গুণ অমনা ফংখিবা মন শিং অদু জননেতা হিজম ইরাবত সিংহনা কোংবা বাজারদা মতম্সিদা লিংখৎখিবা সিটি এম, ই, স্কুলদা লোইনা দান তৌথোকখি। জননেতানা ওঝাবু পুকচেল চাউবা অঙাং অমনি হায়না শকখঙবীখিবগী রাস্তু খঙহো উহো-র্বশিংনা ঙসি ফাওবা শোম্নরি।

চুরগী লাইব্রেরিদা থরায়-য়াওবা ছাত্র অমা ওইবদা মতুমা ওজা ইবুংঙোনা জোনষ্টোন স্কুলগী স্কাউট পার্টিগী মেম্বর অমসু ওইরম্মী। মী-পোৎলোইবা, হিয়াংথং হড় ঙাকপা অমদি শ্রদ্ধনচিংবগী মাগুবনচিংবা থনব স্কাউটকী থবক কয়াদসু ওজা ইবুংঙোনা মাংজন থানা য়াওরম্মী। মতম অসিরাইদা ওঝাগী পুক্লিং অসি লাইরিক লাংমগী থর থর হন্দেক্লগা আর্ট অমসুং কলচরেলদা নকশিনবা লৌরকখি। কদায় কাওবা আর্টতা থরায়-য়াওরম্বগে কায়বন্ নৈকয়দা শানবা সভাপর্ব্ব কৌবা থিয়েটরদা ওজানা দুর্য্যোধনগী পার্ট লৌখি অমসুং মায় পাকখি হায়বগী ব কৌজক ফাওবা ঙাংনর। লাইবক থীবদি লিলা অসিদা য়াওরুই লাইরিক ওর ইদ্রে কায়দনা অহল লম্ময়া ওজাদা লাইরিক তম্বা তে কক্নবগী শাথীরবা চৈরাক অসি পীখি।

সমাজগী অকনা ওবক্ত খেংথাংজিনবা কৌব্রবা ওঝাবা লাইরিক তম্বা তে ক্লবস্ত অফবা থবক কয়া তৌবা লৌরকখি। তখেল এল. পি. লীংবদা, অমসুং লাইরেনকাবী এল. পি. স্কুল লীংখৎপদা অমসুং গভর্ণমেন্টকী ওইজয়বা হোৎনবদা ওজানা লৌখিবা অচৌবা থৌদংশগী ক্রেডট তৌজিক কাওবা স্কুলশিং অসিগা লেয়ননা নৈরি ওঝানা ইচুংনা থাকা দরখস্তগী মেক-দোনেল্ড সাহেবনা লাইরেনকবী এল. পি. স্কুল গভর্ণমেন্টকী ওইখিবানি হায়বাস ময়াম পুম্নমক্না ঙস ফাওবা থগুন র। মতুংদা মাকলং পঞ্চায়েট কোর্টতা মতম খরসু বাজে মোহরার ওইরম্মী।

ইংশোক ১৯৪৫ গী মণিপুর গভর্ণমেন্টগী ক্লার্কশিপ অমসুং টিচরশিপ পরিক্ষা পাস তৌখি। মতুংদা মদনমোহন এম,পি, স্কুলদা পুন্সিগী অহানবা ওইনা এঝা ওইবা থোখি অমসুং প্রমোসন ফংলবা তুংদ হেরা ইউ, পি, দা চংখি। ইং শোক ১৯৪৭ তা চুড়াচান্দ হয় স্কুলগী মেট্রিক পাস তৌখি। মতম অসিদা ভেরাদগী কোংবা ইউ, পি, স্কুলদা হেড মাষ্টর ওইনা লাকখি। ওঝা ইবুংঙোবু অমবা ওঝা অমনি হায়না সরকার অমসুং পব্লিক্না শকখঙবা হৌখবসি মতাং অসিরাইদগীনি। ওঝানা কোংবা ইউ, পি স্কুলগী হেড মাষ্টর ওইরিঙৈসিদা কুপ অসিনা ষ্টেট ইউ, পি, পরীক্ষাগী মকোক অমসুং মথংগী পোজিসনশিং লৌখিবগা লোইননা ছাত্র য়াংখৈমুক থাগৎপগী মখুংদা নিফুরেমক্ত পাস তৌখ। ঐহাক ইশামকক্ত কুম অসিদা স্কুল অসিদগী পাস তৌজখবান। মতুংদা অমুক কোংবা এম ই কোরম্বদগী রাখৈ এম, ই, স্কুল হৌরকপা মতমতুদা হেড মাষ্টরগী ফম ওঝানা পায়খ। ওঝা অমা ওইনা ওঝা ইবুংঙোগী তোপ তেপ্পা শুন থরম্ভ নৈ ছাত্রশিংবু মচাদোনা লুনা-চম্না তৌববা, লেম্র ছাত্রশিংবু স্কুলদা লক্রগা মথেয়গী ময়ুম ময়ুমদ মরক মরক্তা চৎতুনা লাইরক তম্বীবা অমসুং লাইরবা ছাত্রশিংগী ফীশন'চংবা লুনবীবা। ওজ গুম্বা ওঝা অমবু ছাত্রশিংনা কাউ-গনি আশা তৌজদে—ঐহাক ইশামকম্ভ হৌসি কাওবা ওঝাবু কাউজদ্রি।

মতুংদা ডি, এম, কলেজদা আই, এ, তম্বলিবা ইংগোক ১৯৪৯গী কলিকাতা ইউনিভর্সিটিগী আই, এ, পরীক্ষাদা কমলপুরগী কলেজগী ছাত্র অমা ওইনা কলেজগী ডিবেত অমসুং এস্টেটমনগী খৌরম কয়াদা শায়পাক্না শরুক য়ারম্বী। "স্মৃতি লানবা উপীরক্রে" গী অর্থ ওজানা তৌবিবা অমসু ওসি কাওবা মরাক্ন নিংশিংনরি।

ওসি কাওবদা এসোসিয়েসন কয়াগী প্রেসিডেন্ট, সেক্রেটারী অমসুং কমিটি কয়াগী মেম্বর ওইদুনা লাক্লি। ওজানা পীবা তাবন্দগী অকবা থবক কয়া পাংথোকখিবগী বাসু শরু-শোরবি। কোংবা উচেকোন লম্বী শেমখিবা, পেরেডাইজ ক্লবনচিংবা শাখিবা অসি ওজাগী তাবনাশিংগা মরী তংনদনা লৈরগদৌবনি। মসিদসু নত্তনা তোম্পোক অমসুং তোমাল কংগ্রেস হায়না কংগ্রেস অনি থোকখিবা অডু পুনশিন্নবা হোৎনবদা ওজাসু অচৌবা শরুক য়াখি।

কোংবা এম, ই, স্কুলগী হেড মাষ্টর ওইরিবৈদা নোংমা প্রাইবেট ওজাগী চংপদা Bull dogনা চীকখি। ত্রেইন্দা থম্ন শোকখিবদগী মতম থম্ন থবকগী "সসপেন্দ তৌখি অমসুং অমুক কুইদনা থবক্তা চ'জনখি। মতুংদা স্কুল কয়া চৎখিবা তুংদা লিবা চংনিং এম, ই, স্কুলগী সেকেণ্ড মাষ্টর ওইনা সাভীস তগী পোথাখি।

থবর কাগজশিংদা দেশকী সমস্যা কয়াগী মরমদা ইবা পামজবা অমসুং সঙ্গীত বিদ্যাদসু হাইকেৎ কজনা অপাম্বা লৈবা ওজা ইবুংঙোনি।

ঐগোম্বী ওজাবু লেখক অমা ওইনা ইণ্ডিয়াকী কোনুং দিল্লি অমসুং আমেরিকাগী কোনুং বাশিংটন ক'ওবনা; শকথঙ-থীরকপা অসি মণিপুরগী ওইনা থোইদোক্লা নাইবক কবনি।

ওজানা ওসি মণিপুরী সাহিত্য ইমাগী মমানিংবা মচা অমা ওইজগে—নৈরাং খুজোক অমত্তং ইমাদা কৎচগে হায়রবা অকনবা ওপন্থা অমা তৌরিবা সিমতংদি মমা'মা মম পীনবীহুনা খুংজনবীমু হায়না মমামদগী ওজানীদমক ঐনা থিগাও শানা থিক্কা নীজন্নি অমসুং পীবিগনি হায়নকু বাংমা থাশা তৌজন্নি।

খ্বায়দগী তেঙ্গা নৈজন্নিবা,
শ্রীবরম গোকুল শর্ম্মা
লেকচরর, মণিপুরী ডিপার্টমেন্ট,
মণিপুর কলেজ।
ইম্ফাল।

থম্বালঙাংবী

মোইরাংগী দৃশ্য

(ইরাং পোকফম)

বসন্তগী মতমদা মোইরাং লমদমগী ফজবদি অঙকপনি ! থাংজিং চীঙ্কোলদা লৌরবা চীংগ্রাঙ পাম্বী, কুরাও পাম্বী অসিনচিংবা লৈশাংপুং পাম্বীশিংনা শাংলকপা মতম্মনি। মখল মথেল কয়াগী উচেকশিংনা কায়সেংদুনা শাম্মরি। মখোয় মখোয়না হৈনবা উপাম্বীশিংদা তোংদুনা ঋতুরাজ বসন্তগী থৌগল তৈশে ফাংনরি। চীংথক্কী পাম্বী মচা মচাশিংগী অশংবা উনা-শিংগা লৌবুক্কী অশংবা নাপীশিংগা শমনখিদুনা কয়াংক্কী অশংবা থাবগুম্বা উরি।

মকোৌশা কৌবী লাইরেম্বীনা অশংবা ফিজোল থোন্দুনা অঙাংবা, অশংবা, অঙৌবা অসিনচিংবা মখল মথা অয়াম্বা লৈগী লৈ-পরেং থোম্লদুনা খাংজীং চীংথক্কী মকোৌশাগী ফজবা য়েংলি। লোক্তাক পাংজা কিনাও শাবা হৈরবী মুজা কয়া অমনা ঐরাম্লদা কি হোন্দুনা শাম্মরি। মাংগী হাবু নিংশিংদুনা

মহৌশা লাইরেম্বীনা ভরং লাইজ শিন্থরি। মতা ইবেম্মা লাংলেন থোইবীনা মতাশিংগা লোইননা লোক্তাক্তা ইন চিংখিন্ন-খিবা, লোং খোনখিন্নখিবা, থুমন অমুদোন নোংমাই থম্বগা উনখিবা অসিনচিংবা বাবু নিংশিংতুনা মিৎয়ৗ থম্বাল অনিদা ভরং লাইজ শিন্থরি।

নৈপাবী থর অমম্ব লোক্তাক মপান্দা ইন চিংলি। মখোয়গী মরক্তা মণিপুরদা লাবা নৈতনা ফজরবী মোইরাং লমদমগী থম্বালঙাংবীম্ব য়াওরি। থরানখিচাক মরক্তা থাজনা ঙানবগুম্না ঙাম্মোইরি। লম্বী চৎপা মীশিংনা য়েংল য়েংলতুনা চৎলরি। ভারতকী ভিজিটর কয়া কয়া, ইংল্যান্দগী ভিজিটর কয়া কয়া মোইরাংগী দৃশ্য য়েংবা লাকই।

মখোয়না লোক্তাক পাৎকী দৃশ্য, নেতাজী স্ববাসচন্দ্র বোসকী ষ্টেটিউ, সরকারগী লোয়শং, মোইরাং বাজারনচিংবা য়েংবা লোইরদুনা সেন্দ্রা টুরিষ্ট হোম য়েংগদবগী সেন্দ্রা চীংথক্তা কাখৎনরি। চীংথক্তা কাখৎলকপদা চীং লম্বেল শোরোক মমাদা হৌরখলিবা উচান পাম্বী মচাশিংনা লমদম তাম্না লাক্লিবা অতিথিশিংবু তরাম তরাম্না ওক্লি। ঙাইহাক্তংদবু ওইরবম্ব শান্তি ফংই।

পাখং নৈপাবী, ছাত্র ছাত্রীশিংনা চীংথকতগী মোইরাংগী দৃশ্য য়েংলি। মাংদা উরিবা লোক্তাক পাৎনা সমুদ্রগা তেম-শিংনবা সনা নৈথক মণিপুরগী শায় ঙাক্লি। চীংনা কোয়না

কোয়শিনবা লৈবাক্কী মণিনা ঙাক্নবগুম লোক্তোক পাৎনা ঙাম্লি। থাঙ্গা, করাং, ঈথৎশিংনা লোক্তাক পাৎতা ভাওরি। অসিন-চিংবা ফজরবা দৃশ্যশিংসিগী য় থম্না সুংঙাইরিবদা কনাগুম্বা দেশ প্রেমিক অমত্তা নেতাজিগী ষ্টেটিউ উকবদগী নেতাজীগী মরৈবাক সুংশিবগী মরমদা নোটবুক্কী ইবা হৌগৎলক্লে। দৃশ্যশিং অসি য়েংবা লোইরক্তুনা মহৈ মহৈ চাংখাদা কুমথনরক্লে।

সুমিদাংবাইরমগী সুমিৎ ভারমদাক্কী সুমিৎনা চাংয়া থাংবা ভমমানা কোম্নী চেনবা মতমদা খম্বাথোইবীগী মায়থোংদো য়াওশং মতমদা পাখং লৈশাবী অমবের তৈনবগী মতৌগুম্না পুমঙাং ঙাংল্লে, খম্বাথোইবী হায়নবতু শেংলে।

পাখং মমাংদা লৈশাবীগী ঈরাং তৌবা কায়বতুদি মহৌশা-নিনা ঙসাইমথৈ তুমিন তুম্না মমাম্নবশিংগা বারী শাংবুন শাদুনা নোকপু নোকপনে, খেবু খেবনে তৌরম্বা খম্বাথোইবীদো হৌজিক্কি মমাংতৈগী মচা ঈবেম্মা লাংলেন থোইবীনা খুমন অমুদোম নোং-য়াই খম্ববু মাংদা থা, সনা পুক্রিংদি ভয়া ফশোম্মনা শকখিবা ঈশৈতু নিংশিংদুনা সুংশিরে মথৈ কেনা চিংনা চিংনা শকথৎলক্লে।

(১)

মমাং লৈকাই খম্বাল শাৎলে
খোইমুনবু ইল্লে খোইরাবা ;
সাবী লাও লাও, চৎসি লাও,
কল্লকপা য়াম্মী, কক্লাওবা য়াম্মী ;
মাংদা থারো লাও।

(২)

থেক্লিম্ থেকাম্
মিৎচিনা কোয় কোয় ম্নাম্ ;
সাবী লাও লাও, চৎসি লাও,
কল্লকপা য়াম্বী, কন্স'ওবা য়াম্বী ;
মাংদা থারো লাও ।

ঊন চিংন্নবী লৈশাবী শরুদি মথুন্তুগী ঈন ভাখিবা থংহৌদনা অচ্ছা, বলিহারীচা, খম্বালঙাংবী নং ঙাওশিন্ন য়কন্নুকো হায়দুনা হোৎচিন্নকতুনা মাগী মাগী ঙা তুঙ্কোন্দগী ঙা লোথোক্লগা খম্বাল-ঙাংবীগী ঙা তুঙ্কোন্দা কাপচিন্ন । কনা অমনা বালিহাবী লাওবনা পেন্দেনে, শেল থাগে হাবদুনা শেল থানরি ।

ঈম্ফালগী ভিক্টর পাখং অমনা লাওরকই – "ওস্তোক-পলি ! ঐখোয়গী মণিপুরশিদ কোকিল লৈতে হায়নবদাই, ঈনক নক্লা কোকিলগী মখোল তারে । হে বসন্তগী দূত ! নহাকপু ঐখোয়না তরাম্না ওকচরি ।" ভিক্টরময়াম অদু ঈকে ঙকঙ্গে, কদায়দনোনে, বদায়দনোনে, হায়দুনা ময়াম পরপ পরপ হোৎ-চিন্নরকই ।

খম্বালঙাংবীনা ঈশি শিনা নোকতুনা হায়রকই "হায়মা ! তাযোখোইনা ঐবু কোকিল ওইরবোই লিংবিরবোইরে ইকায়-খম্নেদা, ওস্তোরস্ত খকখরেমকো, ঐখোয়দি পাখংককাসি য়াম্না কিজপ্রবা পোৎনি । অসিবু হৈদা নকাশনবিয়কন্নু, খরা থুনা লেংবিখো ।"

পাখং অঙাওবা খরনা লাওরকই,—"ইবেম্মা লৈরাং থম্বাল চামনিপান অঙাংবনা লুরবা লাইজ ঈরায়দা ঙানবগুম ঙাক্লিবী সনা লৈবাক মণিপুরগী লেমনংঙাই ওইরিবী ভারত শিনবা থুংনা ফাওরিবী, শক ফজবদা লাম্বা লৈতনা ক'ওরিবী মোইরাংগী থম্বালঙাংবীনা লোৎপা খক য়ারোইদে। অদুগা অসিমসু হায়জ-রিংই মদুদি লৈরাংনা শুকসবা উৎনদা শাৎলবসু খোইমুনা খংদবা লৈজবনি। লৈবাক শাৎনা খংলবা মোইরাংগী থম্বাল-ঙাংবীনা লোৎপা খক য়ারোইদে। করিগী নশক অদুক ফজপ্রবা নৎক্রু, নথংলেন পাখং উবদা করিগী অদুক কিবিরিবনো? পাখংগী থম্মোয়দা লৈরাদগীসু হেম্না থোৎলি হায়বসি খংবিক্রিবোইরে। কোৎকী ঈশৈকে অমুক্তা শকপদে', সত্য, ঐখোয় পৈশা য়াম্না পায়নরিপোৎ ন, পৈশানা য়াই চায়রদবনি।"

"মদুদি হেৎমুকী হপোক্ত" থম্বালঙাংবীনা অমুক্তা কম্না খুমসকই। মশা অখোয়বা থরোশংবীনা "ঐখোয়না শকপদি পৈশা থাবিরোইদরা ভাহোখোই" হায়দুনা খোম্বাংশিন্নকই।

অসুম ঙোনা পাখং লৈশাকী লাংনবিরঙৈদা ইন চিংলিবী লৈশাঙীশংগী অহল লম্মান অচা মচা লোবা লাকপা মীয়াম অমা য়াংদ উরক্রে। পাপংশিং অদো কজরে, ফজদে, অহল লম্মন শাংক্রে চৎলসি, চৎশসি, হায়দুনা মহৈ মহৈ চৎনরে। মোইরাং লমখায় কেক য়োবগা চুরাচান্দপুর যস থেংনদুনা মহৈ মহৈ মযুম মযুম পাংলকলে।

থৌরাং

চৈরাওচিংগী চিংচেপনি। তারমদাই সুমিৎকী মশেক্না চীংয়াদা হৌরিবা ডুপাস্থী মচাশিংদা যৈরবদা মথল মথলগী মশেক মঙাল থোকই। অসিগুম্বা মতম অসিদা কনাগুম্বা পাখং অমদি মাংদা নোটবুক অমা থমলগা মমায় য়াংনা থাজৎতুনা অমুক নোটবুক্তা য়েং অমুক কলম পায়, অমুক্না নোংচুপ চীংদোন্দা সুমিৎকী ঙাংলৈনবা মচুনা যৈরবদা লৈচিল অঙাংবা মপৈ মপৈ পাইরিবা, লৌবুক লমহাংদা সুমিৎকী ঙাঙলৈনবা মচুনা হাইথররক্রিবা খিবিক অসি য়েংদুনা মমিৎ পাংনা পাংনা মমিৎ উইশিল্লি। তুংলোমদগী পাখং অমনা ফীরুপ চেৎনা খুমজিল্লগা মমাংদা থারিবা নোটবুক্কু পাক লাকুনা চেনখ্রে। পাখং অতুনা পরপ পরপ তাম্নবদা মাগী মরুপ নিলকান্তনি হায়বা খংলদুনা ইশিং শিনা নোক্কুনা মবুক যেৎতুনা থাংলম্মী।

পাখংদুনা হায়রকই; "নিলকান্ত! নং অসি নমায় ওহোক্না থকখ্রেদা। ঐদি খংখ্রেক্কুম খংই। তায়খো, ঐ য়া অমা হংগে - নহাক কন্নক ভিজিটর অমা ওইনা মোইরাং চৎলুই হায়নৈ। মোইরাংগী দৃশ্য অদু অমুক্তা ফজনা লৌথরকউ ঐহাক নোটবুক্তা খোংচিলহৌগে"।

ফজখ্রবা মোইরাং লমদমগী দৃশ্যবু ঐগুম্বনা হায়বা ঙবা পোৎ নত্তে, ফাওরবা কবি অমনা য়েক পদা বানা থোক্লিয়া মোইরাংগী

দৃশ্যনি, কজখরেদা গোপীকান্ত ! মোইরাং বাজার মনাক্তা লৈরিবা নেতাজী সুবাসচন্দ্র বোসকী স্টেটিউ, শেম্ব্রা টুরিষ্ট হোম লৌনবা কাখৎলকপদা সেম্রা চীংগী চীংলম্বেল, শোরোক মম্বা মম্বাদা হৌরমলিবা উচান পাম্বী মচা মচাশিংদো, পুক্লিং অসি ভনৌ ভনৌই, সেন্দ্রা চাংদা কাখৎলগা সেন্দ্রা টুরিষ্ট হোম য়েংবমথৈ য়েংলগা পোথাশংদা কমদুনা চীংথক্তগী লোক্তাক পাৎ য়েংবদি সমুদ্র উদবা মীশিংনা সমুদ্র উবগুম্বনি। কাম্নদে থাদুনা লোইবা পোৎ নত্তে, ঐ বা অমা হায়গে, গোপীকান্ত নংবু য়ুম কৈ পানবগী বাখল ইরৈ লৈতবগুম উই, য়ুম পানশিনে। নং-গুম্না শক কজবা পাখংবু মণিপুরদা কনা লৈবগেনে ? মণিপুরদা নম্ভুনা ভারত ক্লাওরবা ঐগী গোপীকান্তবু লাম্বা চান্নদবীদা খোকখিগদ্রা হায়বসিগী নিলকান্ত য়াম্না হায়নে।

নংগী লাম্বা অমা লোক্তাক মপান্দা মমান্নবীশিংগা ইন চিংলম্মী। ফজল্লবা পেৎনি মিৎতনা থম্বালমনবী মিৎতানি মায়তানা লুবরবা লাইজ ঈরায়দা ফুগায়না শাৎলবী থম্বাল অঙাংবা চামনিপান মানবী মায়তানি ; নাতোন, তাথ-রকপনা কৌজেং শাবানগী নাতোন মতানি, গুক্ত ভত্তুগী লিক্লি খুজাইনি, পামোম ভাথরকপনা থম্বৌ হেরা, থম্বৌ হেরাগা তেমশিংনা অমম্নং মদুগা মতা চানা পাল্লবা তুমত্রিৎ তুমত্রিৎ তুম্নবী খুৎশাশিং, খুবোমনা লফু লেম্রা মানবী অমম্নং মদুগা মতা চানা পাল্লবা খোং, খুনিং, অঙকপনি! তাইবং মপুগী খুৎশেমনি, কয়াদা হৈনা শেবলিবা ! নাদা চিল্লিবা সনাগী

লৈগা খজাইগী শমক্রুগা নক্লবদি মায়থোং থাজদ য়াশি হায়মতনি। ঙক্কা শোরিমচা অমত্তুংগা সনাগী মমগা কোয়বা শামু ময়াগী যম অমজুগনা মতু য়োৌনা কজরবদি লিকফং মখল মখল শিরবদি য়েংবা ঙমলোইদবনি। ইচম চম্বা পাম্বোমদা লুপানা মরি চিংলগা সনা লুপা অমস্তং কোরিগী মম মচা মচাশিংনা পিক্রা পিক্রা মমত্তার। তুমজ্রিৎ তুম্বা খুনিংথোৌদা সনা খুদোপ ঙক্কা অঙাংবা খিনবা অমা শোির। মতুদি কনাগুম্বা পাখং অমদা মোমোন নোকুনা খুদোম্বী অতুনা খিল্লকপদা ত্তেনকায় কৈম্বনা সেনাশিত্ত অমনা কনাগুম্বা লাম্বী অমদা তেজ্জথোংদা কাপ্পদগী হোক্লবা পোৎনি। শয়াংনা চুম্না চুম্না নিংজুয়োরিবী মতুনা মতু পুবা লিনগুম্না শানৌ পাখং কয়াগী থোমমবু চিকলিবা। ইচম চম্বা কজাম মপান কনেক অমা শেৎলগা চাকনা সিল্লকী মোত্তা কুরিৎ অমা লিৎতুনা মমামবীশিংগ, ইন চিংতুনা লৈরম্বতুদি থাকনগী মক্ত ইবেম্মা লাংলেন থোইবীতম খংনিং নিংশিংলকইনে, গোপীকান্ত! অসি হায়দুনা থম্বালঙাংবীগী মগুনম্ব নিলকান্তনা থারকই।

গোপীকান্তদো ঙসাইমাখ উইতুনা মাগী য়াদো ভারম্বদগী মথাদি লৈরবরা নিলকান্ত কায়দুনা নিলকান্তগী মনংগন্দা খুবাক্কা থোপ থোপ থারম্মী। নিলকান্তনা এনা খংবদি অসিদগী কেন্দ্র অতুগা মীনা হায়নবাদ মাগী য়াঙ পুংশিবা, য়াইহে-য়াত্তা পুংশিবা অমত্তনা মী চাম্বগী মনুক ইংকনবা ঙম্বা শক্তি, কজাম মপাল কনেক অমা শেৎচন, য়েসমগী অশাংবা ফুরিৎ অমা লিৎশিন

মেন্দল অমা ত্তোংলগা শাওবনা থাম্বা ঙমত্রবী মমাম্নবী অমবু পম্নপ পম্নপ হোংচিল্লক্লুনা ইভা, ইভা, হায়না থাম্বদা অশাওবা লায়না হম্বহনবা ঙবী শক্তি পুম্নিবী নবেন্থানি থংজো হায়ন-হৌইনে মোইরাংদা।

তারেদা মরুপ, ঐন্থ খবরদা থম্বালঙাংবীগী মশক কঙবগী ইন্নিবা মমাংদো পাম্নেদা, নত্তৌ য়েংনিংঙুনা ত্তৌবনি। পরীক্ষাদি থা অহুমবু কাভিল্লক্তরে। বি, এ, গী পরীক্ষাদি অমাম্নবা পোৎ নত্তে। লুম্নবা তানকম খনিদা নহাক্না অমুক য়ুম-কৈ পাম্নলবগী অমুক হায়জিল্লকই, পরীক্ষাবু থাংগত্রা, য়ুমবু পানগত্রা ঐবু মংলা কদোমদা শেম্বিগদৌরিবনো?

ঐনা শিন গনি, ঐনা শিমগনি, পরীক্ষাস্থ থাগনি, য়ুমস্থ পানগনি। গোপীকান্ত! ঐনা হায়রিবসিনি নহাক থম্বাল-ঙাংবীবু লৌদবা য়াদে। মানা খোংবা চাক-ইনশাং ঐনা খোংগ্রাই নিক্ষুনা চাবা, ঐনা নংগীদা লাকপা কান্দা মানা তামো লেংবিরকইবরা হায়দুনা কোকিলবু ঙমজবী; তাম্নাবু ঙমজবী খোজেম্না কৌবত্থ ঐগী পুনশিদা ফংজগে হায়দুনা লাংলবনিনে, গোপীকান্ত! অসি হায়দুনা গোপীকান্তগী মখোংদা ইশাং শাংনা থুরুম্নিবনি হ য়হুন ভুশিল্লম্মী।

গোপীকান্তনা নিলাকান্তবু তাপ কেনখংলগা "হোয়দা, হোয়দ, মরুপ" হায়দুনা ত্তৌরেক ঢৌবা মম্ন থিদোক্তুনা য়াশি লৈয়েমথৈ লোক্লম্মী।

'ইসে মীনা হায়রগা নোকপা শাৰিয়ে, ঐ বা অমা হায়বিগে তাকৌ মথেন্দ্রদা হঞ্জৎহন্দা চংলিবা লৈশাবীশিংসিগী মরক্তা অমদি মোংমা নং লাং থুজগলিকো। নচন ৱাথে তিয়জৰিবনি; লৈ খিবা লাক্লিবনি হায়দুনা মোংলৰিবা লৈশাবী-শিংসি উত্রা ? মুপীনা নিপাদগী হৈশিংবা হেক্লিবনি। মখোয়না প্যাম্বা নিপা কয়া কয়া কাদুনা মপুরেইবা ওইনবা হোৎনবদা লায়না পাংথোকপা ঙম্বিবনি। মতুদগী উশিৎলক্তবনা নিপাদি ইথুজা থোকপানি হায়না হায়নর ক্রসনি। নশক অহুক ফজগ্রবা নহাক্লা মখোয়গী লাংদা থুখিগত্রা হায়বগী ৱাখল থম্নইবা ঐহাক মতম কুইশিন্নক্লে নং ফজখশানিকে; চেকশিনজৌ!" অদি হায়দুনা নিলকান্তনা গোপীকান্তবু থম্বালঙাংবীবু লৌহৌনবা তক্লি।

"শুপীবু কন্থনা ম্লেংবা নিপাগী মরা ঙাক্তনি, নিলকান্ত! ভারুম্ম। পাখংগী থম্মোয়বু নমদুনা ফাবীনবা লৈশাবীবু পোক্লিবরনে, নিলকান্ত! নংনা অমুম কৈ হায়রগা লোয়রে" হায়দুনা গোপীকান্তনা হায়রকপক্তদা নিলকান্তনা হয়াওমন-গ্রদুনা মখুৎ ফারগা হয়েং অসি পুং তরেৎ তাবা মতমদা লিলাশিং খোনাংখোং কোটেলদা উনসি, নকি নরোল নায়া শেৎলকউ, সাইকলনা হেক্তা মচৎসিদা, ঐ চৎলগে হায়দুনা নিলকান্তদো চৎকদবগী মমায় ওন্নক্লে।

গোপীকান্তনা "ঐহাক শোয়রোই, ইতাও; একজবাম, হয়েং অসি চৎজবা য়াদে, ঐখোয়দা হাও হাওতবা চা কপ

অমম্মদং থকলু'সি, নচন রাধে লোলহনগে' হায়দুনা নিলকান্তগী মথুক্তং পায়দুনা ময়ুম ঙাম্না পুশিল্লম্মী।

ইমুংদা গোপীকান্তগী মপাবুংনা মচন মুপী রাধেবু ঙাংলিবদু মবানিনা মাঙ্গোলদা তাম্লম্মী। মুমিদাং পুং তরেৎমথাম তাবগী মতম্সি। পূর্নিমাগী থাবলনা ইঙান ঙাম্না থোক্লি। মাঙ্গোলদগী থাবলগী মঙাল অদু কাচিন মোবদি ঙমদনা থোক্লম্মী। অদুগা শুমাংদদি ইঙান ঙাম্না থোক্লি!

শাওবনা লুনা তৌরম্লবী মচানুপী রাধেদুবু মাম্না থীনা চৈবা হৌরক্লে,— "হায়! ছাত্রী মায়থকপী! ক্লোকপিরোনে নখোয়গী লাইব্রিক তম্বা হায়বসে ওক্তচরেনে মিং নারেনে। লাইব্রিক তম্বা মমান্নবনি হায়দুনা ঙাইহাক নৈর রাধে নৈবরা হায়দুনা পাখং অমা অমুক লাকই, ঙাইহাক নৈরে রাধে নৈবরা হায়দুনা ছাত্রী নৈশাবী অমা অমুক লাকই, ক্লোকপীরোনে নখোয়গী লাইব্রিক তম্বা হায়বসে। লাইব্রিক তম্বা চৎলিবনি কায়দুনা ছাত্র পাখং অমা মগা একাগাড়ী অমমম তোংদুনা শিংজু চানরিবনি, ক্লব শাগদোরিবনি, মিটিং তৌগদোরিবনি হায়দুনা পাখং অমগী মযুমদা অমুক ফম, অমগীদা অমুক ফম তৌবদগী থেংনকপিবা নত্রা? অয়ুক্তা পুং তরা তারা কান্দগী লাইব্রিক তম্বা চৎখিবনা কৌক্লরা ক্ক ন'কবসিদু ঙনায়না চৎলুহনগে নৈবক মাংকনবী ছাত্রী নংবো। থায়না মুপীনা লাইব্রিক তম্বাত্রিবৈঙদদি নৈবাক অসি মুংঙাইরমামনে। হৌজিক্কি হাৎনবগা থিননবগা হু

চাকুনা শিনবগা লোয়রেনে লৈবাক অসে। মুপীনা লাইরিক তম্বদগী লৈবাক অসি মাংলবনিনে। হয়েংদগী লাইরিক তম্বা চংজু মশাম লাকুনা হায়গে, উশিত্তবা থোওইদবা হায়বো" অসি হায়দুনা ঙাংবগী লোয়বা নাইখিরে। য়াথেদো ঙাংবদী লায়রদুনা কুবিরক্রা কিবনা হুমাং অনপ্পী কাংলা হা মচেৎ অবত্তা ঙাংদবমখৈ চাক থোংলি।

গোপীকান্ত, নিলকান্ত, মখোয় অনি মাঙোল কাচিন্দা চেকেৎ কোনশিনদুনা তুমিন্না ভারি। নিলকান্তনা "চৎলগে গোপীকান্ত হয়েং শোয়বা য়াদেকো" হায়রমলগা শোৎ-পেক লাওদবমখৈ তুমিন্না পরপ পরপ চৎখিদুনা থোক্লাল য়ৌরে!

গোপীকান্তখোইদী থায়নগী তুম্মৌ নাকুপ্পীনা কুপ্পা লৈমু হাম্বা থোং, থোংনাও ফজনা কাৎলবা য়ুমদা লৈবা মীভানি। মপাবুংনা হৌজিক্কী চৎনবী বিলজিং অচৌবা তাং অসি পামদদুনা থায়নগী ইপা ইপুগী য়ুমশা অসিদা পামদুনা শেল লৈনা লৈনা শাগিবা য়ুম্নি। ফজপ্রবা য়ুম্নি, য়েংবদা মায় লৈথোকপা ঙম্বা পোৎ নত্তে। মমাং শঙ্গোইস্ত য়ুমজাওগা মতা চানা শাগিবা তুম্মৌ নাকুপ্পীনা কুপ্পা থোংজাও অমা থাংদা কাৎলগা ফজ ফজপ্রবা থোংনাও পানবা লৈমু হাইবা শঙ্গোই জাৎনি। শঙ্গোইগা হেক তাইনবদা ফজম্বা লৈকোল অমা লৈ। মচুদা মতম মতমগী লৈনা অরেপ্পা লৈতনা শাৎলি। লৈকোলগী ময়ায়-মজদা পুখ্রি অমগী মপান্দা মহাদেবগী মন্দিরনা ঙৌরোক ঙৌনা

ঙাম্মোইরি। গোপীকান্ত নিংঙাম্না তৌহুনা য়ুমজাওগা ঙাম্মনা চাকশং অমত্তংগা শুমাং ময়াদা লাইরিক শঙ অমগদি চেক্লা শাই। ইশ্মোনগী মায়কৈ মরিমক শংবৈঙ্গনা থায় অদুগা থোঙ্গান্দি ফজরবা চেক্লা চনবা থোংঙাল পাল্লি।

গোপীকান্তদো মচন রাধে থোরকপা ঙায়বা ওইনা লৈকোন্দা চংহুনা অতরগুলাপ মথোংদা লোৎলি। রাধেনা খুৎচুম হৈদোকপা থোরকপা উরদুনা "পাবুং তুমজ্রগা ঐ চংলকে; হৌজিক চংলুরবদি নংস্তু ঐস্তু চৈ চাবা ঙামে, থোং থবা হাংদোকরকউ" হায়রমলগা লৈকোন্দা চংহুনা লোৎখ্রে। মপাবুংনা তুমজ্রবা মতুংদা তুরিম্না চংহুনা চাক চারগা কমুংদা চংহুনা তুমথখিরম্মী।

উনবা

গোপীকান্ত অদু থম্বালঙাংবীগী রাথল থম্ব থম্না তুমথখিরম্মী মমংদা কনাগুম্বা লৈশাবা অমনা শাই তিংথংনা থলবা থম্বাল য়াম্না শাৎপা পুম্রি অমদগী খুাইদগী ফজরবা থম্বাল অমা কেক্লগা মাঙেন্দা পীরম্মী। অদুদগী মহাক মিকপ থংথোক থোকলম্মী। নোংঙাক্লমদাই মতমনি। মচিন ময়া পরপ পরপ শেংদোক্লুনা অয়ুক্কী চৌনবী থবক তৌবা লোয়রদুনা মকি-মরোল ফজনা শেংচিন্দুনা সাইকল অদু পরপ পরপ ইম্মোক্লুনা মপাবুং ঙাদনবা নাশোন পিক্লা শপাল থোক্লক্লে।

মথোম্মনা লৈরিবা চীংহৈরোং অদুদগী থোইনা লাপ্তুনা থাংবৈবন্দ লীলা শিং খেংনাংগোং লৈক হৈদা মাগী মরুপ নিপচাক্কী

লৈকখনি। নিলকান্তসু, গোপীকান্ত লকপা তারে, থংগ্রে হায়দুনা সাইকল তোংদুনা পরপ পরপ থোরকপনা লৌপাশিং খোংনাংখোং কোটেল মপাদা থেংনদুনা নমস্তে নমস্তে হায়নদুনা কোটেলদা চা থকশিন্নদুনা অদুগা অমমম লাশিন্নরগা মোইরাং পাংনা থৌনরক্লে।

মুনিং অদুমক্তা মোইরাংগী লৈশাবী মযাম্না খায়নগী খম্বা থোইবীগী মতমদা শেংলবা কুইরেব চংকরোল অমগী নোমনাদা মোইরাংগী সেনা সম্পত্তিনা তাকশেল্লগা থাংজৌং চৈঙোন্দা লৈশিবা চংপা মুমিং ওইরম্মী। নিপা অমত্তা লৈশাবীশিংনা লৈ থিরিবগী চৌংথক্লা কাদুনা লৈশাবী লংনবা মারোই হায়না মোইরাংগী সেনা সম্পত্তিনা খুনথা লৈমিং পাঙ্গ চেনদুনা চাংদা নিপা কান্দবা মুমিং ওইরম্মী।

মসিমক্তা খায়না খম্বা থোইবীগী মতমদা লম্বা ইবেম্মা লাংলেন থোইবীনা মশাশিংগা লেয়ুননা লেংশেংদা হুই শাবা চংশিনবা নিপা কয়ত্তা মপাল থোরবন্দবা অদুগী নোমনাদনি। অমুদোন লোংকাংগী খম্বা মচম খঙ্গুনা ইতু নিংথৌ মপাল থোরকদু হায়দুনা চেকদুনা বুরদা খরলপা মঙ্গা ইবেম্মা লাংলেন থোইবীনা কোংগৈ ঙা ফরিবগী শমুনা মচেম খমপুগী মনাক্তা লাক্লবদা থোইবীনা রাজেন লৈরাক পাংশ তোরবদ খমমুনা ননাই লমজাগী পুরানি তাকপীবু হায়জখিব খমমুনা থোইবীন ইনম্মা মিঙোন্দিব খম্বা-থোইবী শক খংনখিবা মতাংদুনি।

গোপীকান্ত, নিলকান্ত মখোয় অনিনা মোইরাংদা থুংলবমক্তদা থাংমৈবন্দদগী নিপা অমা মোইরাং বাজারদা দুকান কমখিবা অদুগী দুকান্দা মখোয় মখোয়গী সাইকলশিংদু থনমলগা থুনা য়াংনা থাক্তীং চৌংথক্না কাখৎলম্মী। মখোয়না খুল্লিবাদ চৌংথকপগী মোই-রাংগী দৃশ্য য়েংবদা শেংনা উমংগীদমক্তনি। মখোয়না চৌংথক য়৷রবা মতমদদি নৈংশংবী ময়াম নৈথিব কোয়চৎ চৎলিবদু উরম্মী। নৈশাবীশিংন মমালিবু উবদা চেনথগনি খন্দুনা মনা পুংলবা নৈ য়াম্ম শাংলগা চিংগ্রাউ পাম্বী অমগী মথক্তা কাখৎ-তুনা মখোয়না তৌরবদু মুম্মা য়েংলম্মী।

থম্বালঙাংবীনা মতা থরেংশংবীগা অস্তম অস্তম নৈ থিরুবদগী নৈ পোলাং অচু থল্লতুনা ডাইহাক্লুং পোম্বাখিসি ইতা হায়দুনা গোপীকান্ত নিলকান্ত খোইনা কাখৎতুনা তোংলিবা চিংগ্রাউ পাম্বী অদুগী মখোংদা কন্দুনা থাবী শারম্মী।

থম্বালঙাংবীনা হায়রকই—" ইতা ! মাগী চৌংমৈরোংগী গোপীকান্ত হায়বা পাখং অসি মশক ফজথরে হায়দা. মণিপুরগী পাখংদদি গোপীকান্ত কায়নরে"। নিলকান্তনা তুমিন্না উথক্তা তারি অমত্তুং গোপীকান্তদ য়েংলগা হীক্লুৎ তৌরি। নিলকান্ত হায়রবসি য়াম্মু ঙাওরবা মশকনু চৎনবা য়ানা ফজবা রাশি য়াম্ম নৈব, রাঙাং বতা হৈরবা, থাংমৈবন্দ সেবা সমি তিগী লিভয়নু ওইরিব, মরুপ নিংবদনু মপা নৈজবা পাখং অমনি। থম্বালঙাংবীগী বচু তাবদা চিংগ্রাউ হেক্ল হেক্লগা

থম্বালঙাংবী অমসুং থরোশংবীগী মকোক্তা অসুম অসুম চাইথরি.

ঙাইহাক নৈরগা থম্বালঙাংবীনা মথা অসুম অসুম হায়-থরক্লি,—"কৰিনো ইতা মানা চাইনাশিল্ক হাপ অমা লিংলগা রোমেল গোলড ঘড়ি অমা মখুদাংদা হাপলগা, সনা থুদোপ অমা শিজিনদুনা, লোংপেন অঙৌবা অমা শেৎচল্লগা, খোংউপ কজঞ্জবা অমা তোংদুনা থাকা ফৎ ফৎ থাইদুনা একাগাড়ী রেল্লি অশংবা থৌরকপদি নৈশাবী ময়াম মাবু য়েংগদৗগী থৌ, ইবৈ নৈতমথৈ শোরোক্তা হঙ্গৎ হন্দা চৎনরিপোৎনি হ য়ৈনেনে। নিলকান্তনা চিংগ্রাউ হেক্র হেক্রগা থম্বালঙাংবী অমসুং থরোশংবীগী মকোক্তা চাইথরক্লি।

থম্বালঙাংবীনা অমুকসু হায়থরক্লি, – "ইচা, নানগ্রবা কজথরব শক অদুদা খঙাম্নগী শমক্রনগা অমুকসু রাশিগগাসু হাপকৎলিবপোৎনি হায়নৈনে মোইরাংগী নৈশাবীশিংনা মাগী বাসি য়াম্না ঙাংনরবা পোৎনি। মাগী থাকা মহাই, সাইকল মথৌ ঐখোয়গী অসিয়াইদসু তৌনরকলে, ঐগা মাগা কনানা হেয়া ফৈজ ইতা" হায়রকপমক্তদা থরোশংবীনা হোয়নে নংগী ঙইনিংদুনা তৌখৎলকলিবনিনে ইকাইদবী হায়দুনা থম্বালঙাংবীদু থোক ইনথুরম্মী। নিলকান্তনা চিংগ্রাউ হেক্র হেক্রগা থম্বালঙাংবী অমসুং থরোশংবী মকোক্তা চাইথরক্লি।

ঙসাইমথৈ তুমিন্ন নৈরবা গোপীকান্তদো নিলকান্তদা থুমিংনা কক কক থিনদুনা থাম্লি অদুগা মপূকনিংদি য়াম্না নুংঙাইয়দুনা ত্রানা য়েংবগুম্না চিংগ্রাউ পাবী মথক্তগী য়েংথরক্লি।

থম্বালঙাংবীনা অরেম্ববী মথা অমুক তাথরকই— 'ইতা, ইকাই ইকি হুন্দোক্লুনা হায়ক্তরবসিনি চাম্বদী ইতা, খোইযুম লাইনা ঐগীদমক্তা তম্বীরম্নিঙো হায়না হাম্বরকপামক্তদা নিল-কান্তনা গোপীকান্তবু হৌরম্লগা তমলে, তমলে, হায়দুনা উথক্তগী চোংথরক্লে।

থম্বালঙাংবী, থরোশংবীদো শংপেক থংলম্মী অমরুং মমাংদা পাখং অনি লেপ্পা অদু উরক্লে। ইকাইমনগ্রদুনা নবানমক ফীরূপ চেক্তেৎ থুমজিল্লম্মী। নিলকান্তনা হায়রকই — " ইকাই বগুদা, লাইঙা ঈশিংদা শাংপা লৈরাংনা চীংদা শাংপিরমলপা কারগী অদু য়েনা ইকাইবিরবনো, ফীরূপ হান্দোকপীয়ুদা, মাংদগী পাখং অসে চীংবিরেংগী গোপীকান্ত হায়বদুনি';

থম্বালঙাংবীদো গোপীকান্তবু য়েংদুনা লিৎকুপ্পমখৈ লৈরে। সাবী শানৌ অনিমক তাইবং পেম্বা মপুনা মুংশ পরেনা থম্মোয়গা থম্মোয়গা চেৎনা পুনশিনখিরম্মী।

ঙাঙাং নৈবী থরোশংবীনা পাখং অনিদু য়েংলদুনা ফজনা হায়থরক্লে, – 'খোইযুম লাইনাদ তাম্বরে হায়বদু নবানদি ঙায়েল চৈরাক্তি ফংবা তাবিদো।

নবানিদি খোইরাং লমদমগী চৎনরোলদি খংদনা মকম অসিদা করিগী লাক্লি? খোইরাং নৈশাবীশনা থাংজং চাঙ্গোন্দা চাং-থক্তা কাহুনা নৈ থিরঙো নিপা অমত্তা চীংদা কাখৎপা য়াদে

হায়দুনা ঙরাং মোইরাংগী সেবা সম্বিত্তিনা পাও চেনখ্রবনি। লমহেনবা নিপাদি বায়েন চৈরাক কংগদবনি ; নবানি চৎপা য়াদে’ হায়দুনা গোপীকান্ত অমস্তুং নিলকান্ত অনিমক উরিনা থম্না পুনশিনখ্রে। থোনা ফরে হায়রিবা পাখং অনিদো লৈশাবীনা মখুৎ অনি অনিদো উরিনা পুনশিনখরে।

গোপীকান্তনা খ'ঙদহুনা তৌবনি, লমদম তাম্না লাকচরবা কনা হয়া মফম অসিদা উজরবা ইথানিবু কনবিয় হায়দুনা থাপ ভরং ভরং চেক্সী। থম্বালঙাংবীমা ইরুকিনা মপি অদু শর তৈথোকাপথগা পুন্নিবা উরিদো লৌথোকপিরে, নিলকান্তগী মখুত্তা পুল্লবা উরিস্ত লৌথোকপিরে, অদুগা হায়রকই, — “সে, নবানি ঐখোয়গী ফীরোল অমমম অহনবা মাওরকইবসি শেৎচরে অদুগা নমুম তাম্না লৈশাবী শাহুনা চাংখক্তগী কুপথক্রো নব্রবান মোইরাংগী সেবা সম্বিত্তিগী তম্বাকিয়ারশিং থেংনরবদি বায়েন চৈরাক কংবা তারি”।

থীম্না গোপীকান্ত নিলকান্ত মবানিনা কিমোলশিংহু শেৎচিরে অদুগা লাইবক্তা সিন্দুর থর থর থমনা অমুক নম্বী অহনা অমুক নম্বী তৌহুনা মিকুপ থরগী মতুংদা কজরবী লৈশাবী ওনখ্রে !

থরোশংবীদি কনানা থম্বালঙাংবীনো কনান্না গোপীকান্তনো মফম থংদহুনা অমদা অমুক য়েং অমদা অমুক য়েং তৌহনা

লৈরে। নিলকান্তদি মোমোন মোমোন মোক্লি। অদুদগী থবালচাংবীনা 'ইতা, ইতা' হায়দুনা পোপীকান্তগী মথুৎ পায়রদুনা হায়রকই, — 'ইতা শকহেনবী, সুংশিবী, ওসিগীতা ইতা নত্তে, মপোক খুদিংগী ইতানি, শকহেনবী, সুংশিবী, থাদোকলমূশিকো'।

মকম অদু উন-থাইমুক চিকপ্রে। চাওরবা পাবেল উপাম্বী-শিংনা প্রেমিক প্রেমিকা অনিগী প্রেমলিলা উথদগী তরং লাইজ শিন্থরক্লি। উদা তোংদুনা ওসাইমথৈ শান্নরম্বা উচেক লাবা অমোমশিংনা মচিন্দা উচৈ উমবা তাখিবা থংবোমে, মমিৎ মমিৎতগী তরং লাইজ শিন্থরক্লি।

পাবিন্নিবা ইথুঙো হৈবেম্মশিং! পাবেল উপাম্বীশিংসু তাইবং মীওয়া প্রেমগী ইথক্তা তাওরিবনি। মখোয়সু ঐখোয়-গুম্বা অপায সুংশি থংলিবনি। মখোয়গা ঐখোয়গা খেন্নবা হায়থবু মখোয়না চক্তবা জিব অদুগা ঐখোয়না অচৎপা জীব অসিতনি। মখোয়সু ঐখোয়গুম্বা চায়, তুম্মী। মখোয়সু কবিগী প্রেমিক প্রেমিকাগী প্রেমলিলদা মপি শিন্থরোইদদগে?

তাইবাক লৈরগা থবালচাংবীনা হায়রকই,—"ইতা! অসিদা কুইনা লৈবা য়াবা পোৎ নত্তে। মোইরাংগী ভলুন্টিয়ারশিংনা ঐখোয়বু তাক খেল্লিবনি। থুনা য়াংনা চৌংথাদা কুমথক্লো মখোয়গা খেংনরবদি অকুম্বা দন্দি ফংগনি।"

খম্বালঙাংবীগী মা মতুং ইন্না মবানিনা নৈশাবী শারদুনা চৌংখাদা থুনা কুম্থরক্লম্মী অদুদগী মবানিগী ফীজোলশীংদু মখোয় মখোয়গী বেগশিংতুদা হাপ্চল্লগা খৌন্দনা হাম্নগী মখোয় মখোয়গী ফীজেৎ অদু শেন্দুনা মখোয়গী থুংকম মোইরাং মজারগী ডুকান্দগী সাইকল তোংদুনা ময়ুম পাংলকলম্মী।

মখোয়না সাইকল থোনা থৌনা অন্থম অন্থম লাকপদা থাংজৌং চৌজোল্লোম্দগী মা মা লাওবা খোঞ্জেল অমা তাদম্মী থংলো, থৎলো, কনা কনানো, চৌং কাখৎলিবা, ফাও, ফাও ফাও। মখোয় অমিনা তাব্রিবদুদি থাংজৌং চৌজোন্দগী ফাও, ফাও, ফাও, হায়বা খোঞ্জেল অদুমা চৌং অমদা খোম্থাং নৈদুনা ফাও, ফাও, ফাও, হায়না থুম্নগী খোঞ্জেল ওইরম্মী। মখোয় অনি কিবনা থক থক নিক্লম্মী অমসুং মখোয়বু ফারগনি খন্দুনা কিবনা তুংলোমদা হম্না হম্না য়েংদুনা সাইকল অদু কম্না থৌরক্লম্মী।

চৌংথক্লগী খম্বালঙাংবী অমসু থয়োশংবীনা পাখং অনিদুবু ফাখিরবর কাগনে হায়দুনা থুনিং কাংখৎ কাংখৎতুনা য়েংলি। অমুকসু মমাম্নবীশিংনা চিংনবা পোকখিদনবা অমুক অমুক ফমথৈ। মখোয় অনিমক নিংদোল পিং চোংই। খম্বালঙাংবীনা খল্লকই অদুক শুংশিল্লবা পাখং অদুনা মশিংথা মপি তরং তরং চেম্বদুনা লমদম তাম্না লাকচরবা কনা হম্না য়েংবদা উক্তদ্রবা ইবানিবু কনবীয়ু হায়খিবা মাত্ত নিংশিং নিংশিংদুনা থম্মোয়লুংদা কাপ্প অতুগা মখোয় অনিবু মবুখৌ থাংজিংনা কনবীনবা থম্মোয়লুংদা থুরুমম্মি।

ঙাইহাক লৈরগা চৌংথক্কা। ইচায় চায়না লৈরম্বা লৈ থিরিবী লৈশাবীশিং অতু ওক্লে, ওক্লে, লৈনা পোলাং থম্লে, ঐখোয়গী ঙাকপী শোনবীরবা ভলুণ্টিয়ারশিং অসি য়াম্না য়াম্লগনি কুমথরসি হায়দুনা মতৈ মতৈ কুমথনরক্লে। থম্বালঙাংবী অমসুং থরোশংবীসু মমাম্বীশিংগা কুমথরক্লে। অমুকন্দ ফাও, ফাও ফাও, লম হেনবা পাখং ফাও, হ য়দুনা লাওনবা খোঞ্জেল অমা তারম্মী। থম্বালঙাংবী অমসুং থরোশংবীদু শাই শাই লাওরম্মী। মখোয়না চৌংখোং য়োবা কান্দদি পাখং অঙাওবা থয়না লৈশাবী লংনগদবগী চৌং কাখৎলবদা ভলুণ্টিয়ারশিংনা ফারম্বা অদু থেংনরে। থম্বালঙাংবী অমসুং থরোশংবী অদু মখোয়গী মরক্তা গোপীশান্ত নিলকান্ত য়াওরবরা হায়দুনা মীৎচৌনা থপ থপদুনা য়েংলম্মী। মখোয় অনি য়াওদ্রে হায়বা খঙলদুনা লুংশা থিরম্বা পুম্নমক লোকখিরম্মী।

লৈশাবীশিং অদুনা চৌংখোংদা পাখংশিং অদুবু ফারগা চৌংখোংদগী থরা কাখৎলগা হৌরবা উপাম্বীশিংদা পুল্ল পুল্লদুনা লৈরম্বদু উবদা লুংঙাইখিদ্রে। থম্বালঙাংবীনা লুচিংদুনা লৈশাবী ময়ামগা লোইননা চংলক্লুনা ভলুণ্টিয়ারশিংদা লুৎ লোম্লদুনা থম্বালঙাংবীনা হায়জরকই, — 'ইবুং ইপুরাশিংগী মপায় ঙসি ঐখোয় লৈশাবী ময়াম্না থাংজিং চিঙোলগী চৌংথক্তা কাদুনা লৈ থিজদুনা মখোক কাররক্লবা ঐখোয়গী থবাও তয়াম ফংজরবনি। অসুম্না লুঙাইরবদা ইবুং ইপুরাশিং থরবু উপাম্বীশিংদা পুনদুনা থমলিবা মঙাসি উবদা ঐখোয় য়াম্না লুঙাইজখিদ্রে। ঐখোয়না হায়জনিংলিবদি — পাখংগা লৈশাবীগা, ঙা দুগা খোংবানপা হায়নরিবদুনি।

ঐখোয়বু অশোয়-অঙাম নৈতনা ঙমিগী খোয়ম অসি পাংখোক হনবগীদমক ইবুং ইপুরাশিংবু হয়া হয়া থাগৎচরি অদুগা উদা পুন্দুনা ইকাইবা পীরিবা ইবুং ইপুরাশিংবু থাদোকপিদুনা সুংঙাইবা মপুং ফাহনবীয়ু।"

ভলুন্টিয়ারশিং অদুনা খুদক অদুদা পুন্নমলিবা পাখংশিং অদু থাদোক্লম্মী অমসুং পাখং নৈশাবী পুম্না অজা গোকুলচান্দগী মাঙ্গবদা অচা অথক চাওনা তৌদুনা খোয়ম অদু লোইশিনখ্রে।

য়ুম য়ৌরবদা

গোপীকান্ত অমসুং নিলকান্ত মখোয় অনি খাইরম্বন্দ কৈথেল য়ৌরক্লবা মতমদদি অকিবা অমত্তা নৈখিদ্রে অমসুং হোটেলদা চা থকখিবগা মযুম মযুমদা হল্লরম্মী।

গোপীকান্তনা মযুমদা সুংবা মতমদদি মখোয়গী পাবুং অদো নৈকাইগী লাইরিক তাবা অমা চৎখিবদগী হল্লকলমদ্রি। মপা মমানা গোপীকান্ত অমসুং রাধে মচিন য়োপুরাবু য়াম্না নুংনা তৌজরিবনি অদুগা মশক ফজরবা মচা পাখং অমা নৈজবগীদু সুংঙাইজরিবনি। মখোয়গী মচা হায়বদু গোপীকান্ত অমসুং রাধেনা লোয়রে। রাধেবু শাওদুনা মপাবুংনা নৈরিঙৈ তাক্লা অসিদা মচানিপা গোপীকান্তনা অমুক্তা ঙরাং অহিংদগী ঙসি ফাওবা মশক উদবাসগী মপাবুংনা শাওবনা মৈ হৌদুনা নৈরিবনি।

গোপীকান্তনা থুংবা মতমদদি সুখিদাংগী পুং তরুক মথাক্ত তাবা মৰ্মজ-মমলি তৌবা মতম্ৰি। মমানা শাওনা হায়রকই। 'ঐখোয়না হৌজিক্তৈদো নোংস্তাম্লিক্তৈদা তৌপৎতুনা কদাইদা চৎকনুই, নপাবুং লাক্লবদি মাক্সা চৈরমদবা পোৎনি, ওরাং মচন রাখেবা লাইরিক তম্বা চৎখিবদগী সুখিদাং রাইরমদা হজিল্লকই হায়দুনা ওাংবগী লোয়বা নাইখিরে। অচুদগী নংনা অমুক ওরাংদগী মণক তাখদবতুনা হৌজিক্তা হজিল্লকই। নংবু বি, এ, গী পরিক্ষা নক-শিল্লক্লে হায়বদাই, কদায়দা চৎকনুই? সে, ইবা নপাবুংদা যেনবা ওক্সা পোৎ নত্তে, লাইরিক অমতং রায়হৌরবদি পরিক্ষা শোক্লবা তাম্রে হায়দুনা ওক্সা তৌগত্তুনা চৎপনি থুমত অচুগা লাইরিক শত্তুনা চংদুনা লাইরিক ওৱাইবগী মখোন্দু নখোযগী পাবুং তাহল্লু।"

মমানা তাকপিবা মতুংইন্না গোপীকান্তনা লাইরিক শত্তনা চংদুনা লাইরিক ওৱাইরিবনি হায়দুনা মখোল থোক্লা লাওনা লাওনা পারি। মপাবুংনা হম্লকপা উরদুনা অমুকা লাওনা পাখৎলক্লি সুংশিরবা মচানা লাইরিক ওৱাইবা তারদুনা করি অমম্রা ওাংদরয়থৈ কিরোল থোংদোক্লদুনা চাকশংদা চংশিল্লুনা মৈ যাইরি।

গোপীকান্ত অদো লাইরিক ওৱাইবগী বাখল চংখিরে। লাইরিক মরুক তাখিরে, থবালঙাংবীমক্তা উরে। মানা খল্লকই— "ওহোক্পনিদা! ঐগী মরুপ নিলকান্তনা কদায়দগীনু যোইরাংগী দৃশ্য যেংবা চৎকনুব্রিবা, মতুমদগী ঐগী মুপী থিবিপদৌরিবনি হায়-রমদা ঐবু যোইরাংদা পুবিদুনা কয়াদা কিরবা, পোকপদগী

খেংনজ্রিবা ফাও, ফাও, ফাও, হায়বা থাংজৌং চাক্লোন্দগী খোক্লকপা খোল্লাওদে, কিপ্রেদা। মহাক্না হায়বা ইন্দ্রবদগী ঐহাক পরীক্ষা শোয়গদৌরিবনিদো। মহাক্না হায়বা ইন্দ্রমত্রবদি ঐহাক ফজনা পরীক্ষা ঙমজরগদবদ', ওন্থোকপানিদা! বাখল অসি থম্ব থম্ব মমাংদা ফাকলম্বা লাইরিক অদু উশিন্দুনা থুরেমখৈ টেবল মথক্তা পোপ থাদরম্মী।

খোংদা থৃংকাপ্লীনা তেক তেক কাপ্পগী মখোল অমা তারম্মী অমসুং গোপীকান্তনা মখিৎ অনি চেক্লেৎ উইশিনগা চৌকিদা উইথখিবদগী কনানো হায়দুনা খোং অদু হাংদোক্লম্মী। নিলকান্তনা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরদুনা গোপীকান্তদা হায়রকই —“গোপীকান্ত। নহাক্কি ঐহাকপু য়াম্না শাওরমলগনি; য়াম্না ৱারোরমলগনি। মরমদি ঐনা নংবু থর বাহল্লেদে', ইনাকথুনবা ইমুংদসু পোক্লবা, নশকসু মণিপুরগী পাখংলক্তা লাম্বা লৈতনা ফজরবা, কেবা খোবনা নশরুক ওইজরবা, লাইরিকসু মকোক থোংহনজা লাক্লবা, পলেম পন্থোনা হেরাংগুম মণিগুম খল্লিবা নহাকপু পোকপদগী খেংনদ্রিবা অকি-অখং থর নংহল্লেদো, শিগদৌবদগী ইবানিবু থম্বালঙাংবীনা কনখিরক্লেদো। অদুনা শাওদনবা ঐহাক্না য়াম্না নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরক্লিবসি মরুপকী ইরাল তাকপিনবনি। অদুগা ঐহাক্না মরুপতা লাইবা অমত্তংদদি তাকচনিংই মথুদি থম্বাল কেকে লাক্লগা তিংখং কিদুনা হয়রেদো।’ অসি হায়দুনা নিলকান্তনা গোপীকান্তগী মনাক্তা লৈরিবা চৌকি অমদা ঙেক হেক ফমখৈ।

গোপীকান্ত অদু ঙসাইমখৈ লাইরিক পাবা য়াদ্রদুনা মাথা শাগৎলম্বা অদু নিলকান্ত লাকপদা অমুক্তা হেন্না শাগৎখ্রে। নিলকান্তনা পংঙাংদা ঙাংথরকই— করিনো, ইতাও! ইবানিনা চৈংথক্তগী নৈশাবী শাদুনা লাক্লগা চৈংখোং য়োরবা মতমদা মখোয়না পীবা কীজোলশিংদু বেগ অমমমদা হাপচিল্লুনা ঐখোয়গী সাইকল থম্ফম মোইরাং থাক্লারগী দুকান্দগী সাইকল তোংদুনা থোরকপা মতমদা তাখিবা ফাও, ফাও, ফাও, কায়বা খোঞ্জেলদো কিক্লেদা, সাইকল থোগনি হায়বা কাওখ্রে। ঐখোয়বু ওই-রিগত্রা, কনাবু ওইরিগদগে, ইতাও! কিক্লেদা! গোপীকান্ত অদু করিমত্তা খুমদে। নিলকান্তনা অমুক মথা তানা পংঙাংদা ঙাংথরকই— মাগী থম্বালঙাংবী হায়বী অসি ওন্থোক্লমু ফজক্লে-দকো, য়েংলুবদা মায়গগা নৈথোকপা ঙম্বা পোৎ নত্তে, শিংথু শিংক্লেদা, ফজবগী মতিক শিংই। মহাক্না ইবানিবু কয়া লায়না কনবিরকইবা। মহাক্না গোপীকান্ত নংবু নখুৎ পায়রদুনা "ইতা, ইতা মপোক অসিগীতা ইতা নত্তে, মপোক খুদিংগী ইতানি, থাদোকনগুসিকো" হায়না পাওমেজ্জাখিবদুবু নহাক্না মপোক অসি-মগী কাওবা ঙম্মরোইদবা পোৎনি।

মতাং অসিরাইদদি গোপীকান্তদো তুমম্না নৈবা য়ারকত্রে। 'হোয়নে, ইতাও! মানা ঐবু কয়াদা নুংশিনা তৌরিবা অসি গুায়দুনা মাথা শাগৎলম্ব গোপীকান্তদো নিলকান্তগী বাহৈদুনা হিগায় য়ৈবা ওইখিদুনা মাথা অদু ঠাগু ওইখ্রে।

ক'মদে, ইতাও! ঐনাকস্তু ঐখোয়গী পাবুংনা চৈবমলগনি। যুম হেক মৌবগা সাইকল থমলগা নংবু য়াথেদা চৈবগুম্না য়াম্না চৈ থাংবিরগন্না হায়দুনা চেল্লকপনি. ঐ চৎলগে হায়রমলগা নিলকাস্ত থুনা য়াংনা চৎখ্রে।

অরোনবা মিটিং

যোইরাং লমখায়দগী চুরাচান্দপুররোমদা হাইথরক্লিবা লমৈল অদোমদা অস্তম লাকপদা ওয়রোমদা খোজাল ভয়ামুক্তং চৎ-থরগা লৈরক অশাংবা অমা লৈরি। চাওরবা ইখোল অমগী ময়ায়মক্কুদা ভিজগী যুমজাও অমগা মমাং শঙ্গোই ভিজনা কুপ্পা অমগা শুমাংগী ওয়রোম থংবদা লাইরিক শঙ অমগা লৈ। যুমজাওদুগী মনিংদা ভিজখন কুপ্পা ফৌগৈ অমগা শজোল অমগা লৈ। পাখং অমনা লাইরিক অস্তম অস্তম পারমদগী সুংঙাইতবা য়াখন্না লাইরিক অদু তাপ হেক খুমজিন্দুনা টেবল মথক্তা পোপ হেক থাদরি অদুগা চৌকিদা ঙাথদুনা অস্তম তুমথখিরম্মী।

সুমিদাং পুং তরেৎ মথায় তাবা মতম্মি। পাখং কাংবু অমনা ইবোতোম্বী, ইবোতোম্বী, কৌদুনা লাইরিক শঙ মমুংদা পরপ পরপ চংশিল্লকই। পাখংদুনা চৌকিদা ঙাথদুনা তুম্বা অদু উরদুনা খোক খোক নোমদুনা হৌদোক্লি। টেবল মথক্কী মোমবতীদুনা লাইরিক মথক্তা প্যাপ হেক তুথরকই। পাখং ময়াম অদুনা ইবোতোম্বী হায়বা বুদু নংবুনে মোমবতীনা

লাইরিক চাকদোরেনে হৌগৎলুনে হায়দুনা মে মবতীদু লৌখৎলগা অমুকন্থু খোক খোক নোরলি।

পাখং অদু খংগ্রেক থংনা হৌগৎলম্মী অমসুং পাখং মমাম্না ইকোয় কোয়শিন্দুনা লৈরম্বা অদু উবদা ইচক চক্লম্মী। মমাম্বা মমাম মুংঙাইমিন্নিংদুনা কোয়রক্লিবনি খংলদুনা চৌকিদা লেং-শিনবিসি হায়রবলগা আলমীরাদগী কেপ্স্টেন সিগরেট পুথোক্লনা কাললু হায়দুনা য়েন্লি। লাংগন্নুসি, ঐথোয়গী পাক্তীনা চৈরকনি, তুমিন্ন তুমিন্না কন্নসি হায়দুনা পাখং অদুনা হায়রম্মী।

ঙাইরাক লৈরগা পাখং অমনা য়াহৌদাক ওইনা য়া খরা হৌদোকরকই - লমানগী খোল্লোক অদু মুংঙাইখিদ্রেদ, ইবো-তোম্বীনা শিনবা খুজিল থৌরাংদগী শে য়ুখিবনি।

পাখং খর অমসু চুমইনে মাগী খুজিল হৈত্তবদগী শোয়-বনিনে হায়দুনা অমুক্তা পাংশিল্লকই। মথরাই মুংঙাইতবনে অদুগী মথক্তা অকোয়বা লৈশাবীগী মমাংদা ইকাইবা নংখিবনে লৈরিবৈ তাক্তা অদনা পাখং মমামগী য়া অদুনা অমুক্তা হেন্না মুংঙা-ইখিয়ে। ইবোতোম্বীনা মখুৎলোম্নদুনা হায়জরকই "ঐবু ঙাকপিয়ুদা, ঐগী খুজিল থৌরাংদগী শোয়বদি লক্তেদা, তাক্তা অমা চাখিদদুনা শোয়বনিদা, অদুগা ঐদি ইকাইবা কংথ্রিবসিগী লম্মন থুমদনদি তোকনিংদে"।

পাখং মমাম্না হায়রকই,—'করিগী লম্মন থুমদনা তোকদগে, লৈশাবী মমাম অদুগী মমাংদা ঐথোয়বু থাংজৌং চাংখোংদা

হৌরিবা উপাঙ্গীশিংদা পুল্ল-পুল্লদুনা ভলুন্টিয়ার ময়াম্মা অবান লৌরিবনিগগা হায়দুনা তৌখিবদ্রবু লেম্না ভোক্কদরনে। বি.এ. গী ছাত্রম্মু ওইরিবা, নশকম্মু চৎনবা য়ানা কর্জরিবা, নরলম্মু লৈরিবা নহাক্না খম্বালঙাংবীবু কোয়য়কপাসি কয়াদা কুইরবা। বাখল অমদি মহাক খনবা য়ারবা পোৎনি। নহাক্না কয়া নোক্করে, কয়া হায়জরে, অদুদগী হেন্দোক্লুনা অহল-লম্মন থানদুনা কয়া অমা হায়জরে অদু ক'ওবদা মাগী মপা কমল হায়বসিনা থাক-খিরোই, থাকখিরোই, হায়না খাংলক্লিবসি খম্বালঙাংবীনা পামদ-দুনা তৌবনিনে। অদুনা হন্দকমুক শোয়ব্রবস্তু মাবু ফাদবা য়াদে! ঐখোয় ময়াম নংগীদমক্তা লেপালিবসিনি।

পাখং অমনা অমুক হায়রকই,— 'এ, ঐহাক্না লহান থোই-রাং কৈথেলদগী কুমথরকপা ইমা ইবেমাশিংগী মতুং ইন্দুনা য়ুমদা সুমিদাং কল্লকপা মতমদা পাও অমা তারক্লে — হন্দকী নোংমাইজিং লাকইবা অসিদা খম্বালঙাংবীখোই থরোশংবীখোক লৈশাবী ময়াম পাখং কয় মগা লেংমনমা মোইরাংগী সেবা সমি-তিগী ভলুন্টিয়ারশিংনা ও ক-শেলদুনা থাঙ্গা মকাদেম পুরুম্বা চৎক-নি হায়। সত্য, হন্দক্কী অসিদি শোয়মনা মঙ্গল ওইরগদবা পোৎনি। মসিদা কেক্কা লমদুনা কারগা ময়ামদা ফিবুম নমলগা ইবোস্তোম্বীখোইগী য়ুমদা কেক্কা চিংশিনবী ময়াম করি হায়বিবগে"।

ইবোস্তোম্বী অদো হন্দক্তি শোয়রদবা তারে হায়দুনা মোমোন মোমোন তৌরদুনা মকৈগল নিকপা কোৗগৎলক্লে অদুগা ময়ামদা হায়রকই— "ঐখোয়গী মাই ডিয়ারনা হায়বীবগুম্না হন্দক্তি"

শোয়রোইদোবা মাল্লে, ময়াম করি হায়বিবগে, তৌসি হায়বরা, তৌপ্নুসি হায়বরা, ময়ামগী বা অমত্তং তাজগে. মসিগী শেল থুমগী হিসাবনা কয়া চংবা তারিবা, অমুক্তা হায়থবীরকউ, "।

নংগী হিসাব সুংসাবকী বাস্ত ঙায়খো, অদোমগী মাইচিঙারগী বাস্ত ঙাইখো, লকানদোনা অমুক ফাত্তুনা খুৎ পুম্ন পুম্নচুনা লৈশাবী ময়াম্না তুংদা খম্বালঙাংবী কাগে তৌরম্বা ইবোতোম্বী মোইরাং নোংবানগী পাটিচু অশিনি লৈবাক পুম্নমক য়েংবীরৌরে, মশক খঙবীরৌরে হায়দুনা মায়ক পায়দুনা লাওর লাওরদুনা মোইরাং বাজারদা শা-বণ কোইবগুম থোকলোইদরেনে, মসিদুম কায়া খনথবীখে হায়না পাখং নহা অমনা হায়রকই ।

পাখংশিং অদুগী মরক্তগী খ্বাইদগী হৈশিংবা, তৌবস্থ ঙমগবা চপ্রেংমচা হায়বা পাখং অদুনা ময়ামগী বাদু অস্থম তারগদগী ফুক জৌগৎতুনা হায়রকই,— "কায়দে ঐহাক্না শিনগদবনি, ময়াম অমুক্তা তুক্কিন তুম্ময়া ফম্বীয়, নিনবা য়াবা পোৎ নত্তে, ঙসিগীসে অরোনবা মিটিংনি। ইবোতোম্বীখোয়গী পাজাখোয় ঙমখোয়না তারবদি লাইরিক্কি ওৱাইদদুনা করিগী লাংলিবা হাঙদুনা চৈরক্লনি। অদু ওইরবদি ঐখোয়স্ত কুইনা মকম অসিদা লৈনা য়াররোই, মিটিং অসি শোয়দনা কায়রগদবা পোৎনি"।

পাখং ময়াম অদুনা চপ্রিংচাগী বাদু তানিংদুনা হায়থরো হায়থরে হায়নরক্লে ।

চিঙ্গ্রাংমচানা মমাম য়েংলদুনা হায়খ্রকই, — "সেঃ ঐহাক্না মসিগী লিডম ওইজগে, ইবোতোম্বী! খর থৈয়ু য়েংলোমদা তাবরা?"

"তায়, তায়," ইবোতোম্বীনা খুমলকই।

চিঙ্গ্রাংমচানা মখা তাংলকই — অদুদি শোয়রবোই থবক অসি মঙোল ওইরগনি। কুল, বোরাজাও, নোংনা কোরী নখোয় অহুম হুইসল অমমম পায়রু ঐনা হুইসল অচৌবা অমগা থোরি অমগা পায়গে চাওথরেরুব, অদুগ মঙাল উতি, কোকপৈ নখোয় অহুম থোরি অনি পায়য়ু। খম্বাল-ঙাংবীগী মপা কমলধ্বজ মচা লেম্বর লাকনি, মে ইরা গী ভলুন্টিয়ারশিং অদো শাদুক ভলুন্টিয়রগী হোনবা এরোমার্ককাগা থাদুনা থৌরিগগ হিংদুনা তোঙশারিব হায়রদুনা। থ, অমা, নোংপোক লোংচুপ্তা এখোয় খিরক নারক শিংনা। লৈশাস ইবোতোম্বী! ইবানি থানবা মাদে! ত্তজা চারহুন ইবতনা খম্বালঙাংবীগী তাপ কেন শানবগ ফিবুলনা ময়াদা কথ নদপাননি অদুদগী মমাম অদু ফিন চেৎন মপোকুই ফারুপ চেৎনা খুং-ফিনগদবান অদুদগী মখুং অনিদু থোরন চেৎনা পুনশঙ্গগ হেক্তা চিংবি চিংলমদনা ঐন হুইসল অমুক্ত হেক খোংবদা মমাম হোংলক্কদনান। অদুদগী শেকপ দা হেক্তা চিংথদুনা অহিং নেম্মাই শাওবা থমগা কাচক মিথেল তাদ্রা কান্দা ইবোতোম্বী খোঙগী যুমদা হেক্তা চিংশননা, মমাম কয়ি হায়বীবগে?

ইবোতোম্বীদু হয়াওমনখিদুনা চৌকিদগী ফুক হৌগৎলগা চপ্ৰিংমচাগী খুৎ অদু হেক্তসেক তৌরিবনি হায়দুনা খুৎ শোক-পগী লোয়বা মাইখিয়ে।

পাখং ময়াম্বা এস, ঠিকবাত, ইবোতোম্বী! য়েত্তি নংনা পুথোক্কদবা শেলদু হায়রো য়েংগে হায়দুনা হায়রক্লে।

কুপা লিশিংতবা, একক্কবান হায়না ইবোতোম্বীন হায়জররকই।

মিটিং লোয়শিন্নসি। নোংমাইজিং সুমিৎকী অয়ুক ওম্বা মোংঙাম্লদাই চিংথৈ হুনবা কান্দা থাঙ্গা চৌংথক মহৌশা ঐথোম্বগী পাইরেং শায়কম হৈবোং অচৌবা মখোংদা উনসি, শোয়বা য়াদে, শোয়রবদি দাগি চাওনা ফংগদবনি হায়দুনা চপ্ৰিংমচানা হায়রকই।

ফরে, ফরে, হায়নদুনা ময়াম অদু চৎনখ্রে। অদুগ তৌনা অরোনবা মিটিং অদু পাংথোকলম্মী।

থাঙ্গা মহাদেব থুক্কুম্বা

নোংঙাম্লদাই চিংথৈ কিদুপ হুনক্লে। খম্বাললাংবীগা মপা কমলগা মখোয়গী মমাং পুৰিৰ অদুদা ইরুজ মাইথজ লোয়রদুনা চন্দন চরা থিনজিন্দুন চৎকদবগী থোরাং তৌরক্লে। ফজনা লৈতেং তৌরবা লিক্লগী পাত্ৰ অমদা লৈ-শু, চেং থোইদিং ওম্বা হাপচিল্লে।

মোইরাংগী লৈশাবী পাখং ময়াম থম্বালঙাংবীখোয়গী মমাং শঙ্গোইদা খরনা ফকতা, খরনা মোরাদা খরনা চৌকিদা ফম্লদুনা থম্বালঙাংবীগা লাই থুরুম্বা চৎমিন্নগদবগী ঝারী শারদুনা ঙায়রি। থরোশংবীনা ইমুংদা পরপ পরপ চংশিন্নক্লুনা ইত্তা মীয়াম্মা নংবু ঙাইরিবসি উত্রা থুরো চৎনবা তৌরসি হায়রদুনা ঙাংখৎলক্লে।

পাখং লৈশাবী ময়াম ঝা ঝা লাওনা অস্তম অস্তম চৎলকপনা থাঙ্গা মহাদেবগী চৌংখোং য়ৌরক্লে। মখোয়না থুংলবা মতমদাদ ভলুণ্টিয়ারশিংনা হায়্না মখোয়বু ঙাকশেন্নবা লৈরম্লে। মহৈ মহৈ চৌং কাখৎনরক্লে। মশাক খঙদবা পাখং অমস্তু মীয়াম মরক্তা য়াম্না হেথোই শিংথোক্তবা মাম্না অস্তম অস্তম কাখৎলি। মীয়াম্না পাখং অদুদা মুন্না মুন্না য়েংনরি থরোশংবীদি পাখং অদু উবদা মশক খঙলদুনা মিচিনা খপ্ল খপ্লদুনা সুংশি মপাও মেঙরি।

পাবিরিবা ইবুংঙো ইবেম্মশিং! পাখং অসি অতৈ অমা নত্তে গোপীকান্তগী মরুপ নিলকান্তনি। থাংজৌং চৌঙ্গোন্দা থম্বাল-ঙাংবীখোই থরোশংবীখোইনা মমাম্নবী লৈশাবীশিংগা লৈ থিরি-তৈঙদা গোপীকান্ত অমস্তং নিলকান্তনা লৈশাবী অনিসিবু থেংনরু-বদগী থোকখিবা থৌদোক অদুগীদমক মিকুপ নাহুম শিংনা ইরাং য়েংবা লাক্লিবনি। গোপীকান্তবু নিলকান্তনা হৌরমদনা লাকপগী মরমদি মহাক্না লোয়নরগা থুদোং চারোই খনবদগীনি। নিলকান্ত মশামক শেন্নবদা ঝানা থোকদৌরিবা মফম অদুদা মাগী মরুপ গোপীকান্তবু অমুক শোন্নবা ভারবদি য়াম্না থুদোং

খিরগনি থমবদগী অমহিকস্থ মপা মমানা লুনা তৌজন্নবা বি, এ. পরিক্ষা থাগদৌবগী কম্না লাইরিক পারিবা শাখং অমবু মকম অদুদা খোকাখিবা থৌদোক অদুগী মরমদা ইরাং য়েংবা চৎপদা য়াওহন্নিংদবদগীনি। মহাক্না খংনিংলিবদি গোপীকান্ত অমসুং মহাক্না লৈশাবী শারদুনা থাংজৌং চীঙোনগী চৌংথক্তগী কুমথরক্লগা মমুৎ মমুমদা সাইকল তেংদুনা ল.কপদা তাখিবা ফাও, ফাও, ফাও, হায়বা থাংজৌং চীঙোন্দগী তাখিবা খোঞ্জেলদু মবানিবু ওইরিগদ্রা কনাবু ওইরিগদগে আসগী মরমদনি অমসুং মসিগীদমক ইরাং য়েংবা লাক্লিবনি।

ইম্ফালদগী হেক থুংবগা থাংবৈবন্দগী মখোয়গী লৈকাইগী মোইরাং বাজারদা কমলিবা দুকানদার অদুগী য়ুমদা লৈরগা থবাল-ঙাংবীখোয়গী ইরাং য়েংদুনা লৈরমলিবনি। থাঙ্জা মহাদেব থুরুম্বা থবালঙাংবীখোয় নোংমাইজিং সুমিৎতা চৎকনি কায়বসি তারদুনা মখোয়গী খোংবু মরক্না য়াওশিন্নগা ইরাং শংগে, মাগী সু শিজরবী থরোশংবীসু উনজগে হায়দুনা শেমশাদুনা লৈরমলিবনি। থরোশংবীনা মিচিনা খপ খপতুনা সুংশি মপাও মেঞ্জবদু নিলকান্তসু মিৎচিনা থপ খপতুনা পাউথুম পীরি।

মোইরাংগী তলুক্টিয়াররশিংনা চৌথক চৌংথা অনিমক্তা ইচায় চায়না লম্বী শেমদুনা থৌরি তিংদুনা ঙাকশেল্লি। লম্মাং-নদনবা সুংদা চৌংবায়দা এরোমাক থারি। চৌংকারিবা মীশিংনা তলুন্টিয়াররশিংবু য়াম্না থাগৎলৈ।

থম্বালঙাংবীগী মপা কমলদি মচাগী মতুং ইনদুনা শেমরবদগী অসুম অসুম লৈহৌদুনা মতা থরোশংবীগা য়ারি য়াতাই শার শারদুনা থম্বালঙাংবীদে যহেদেব খুভম য়োনবা কাথৎলম্মী। থম্বালঙাংবীনা থরোশংবীদা মঙ্গিৎ খৎতুনা নিলকান্তবু য়েংহল্লম্মী। থম্বালঙাংবীদু মমাংলৈঙেগী য়া নিংশিংলদুনা নিলকান্তদা ভুমিন ভুমিন য়েংলগা নোকখেং নোকখেং তৌরি।

নিলকান্ত অদু থরোশংবীগা নক্ক নক্কনা য়াদি থক ঙাংদনা চৌং অসুম অসুম কাথৎলম্মি। থম্বালঙাংবীদু থরোশংবীগা য়ায়ী শার শারদুনা নোকখেং নোকখেং তৌরদুনা অমুক্কা ভুংলোমদা নিলকান্তদা অমুক অমুক্কা থরোশংবীদা য়েং তৌদুনা চৎলম্বদগী সুংঙাইবোক্ত কিরিবোই তৌদুনা চৌংথক অদুদা মতোমতা শরপ শরপ কাথৎলম্মী।

চত্রিংমচা অমসুং ইবোতোম্বীনা তাঙ্গা চারে খল্লদুনা য়ুগ্মা হরাওরম্মী। চত্রিংমচানা ইবোতোম্বীদা মিৎ খৎলম্বা ফল চোংশিংন্দুনা থম্বালঙাংবীবু ক্লাপ কোনশিন্দুনা ময়াদা কিবুল নম্নগা কিতাও অমনা মকোক্ষুগী কীরুপ চেৎনা খুমজিনবিদুনা মথুং অনি অদু পুনশিনগা চিংগে হয়দুনা তৌরকপমক্তদা থম্বালঙাংবীনা "হা ইমা, হা ইমা" হায়দুনা কপ্পা লাওরক্লে।

নিলকান্ত, থরোশংবী অমসুং অতৈ পাখং লৈশাবী ময়াম অদু গ্রুং গ্রুং হোংচল্লক্লুনা "হা কৰি তৌরবগে, হা কৰি তৌরবগে" হায়দুনা চেনশিল্লরম্মী। চত্রিংমচা অমসুং ইবোতোম্বী মখোয় অনি ঙমখৈ লোখাদা চেম্বক্লে।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঐদাক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] বি, এ, [illegible] ঐদী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নম্মন খুমসি।

[illegible] [illegible] [illegible] গোপীকান্ত [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুস্তক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] দৃশ্যশিং, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

চাৎ্রিবা, থবুনা লমহাংদা চৌঈ্রবা খোংনাংপাম্বী অচৌবগী মথাদা পেথৎ্রবা, চীয়াদা শাক্লিবা সরকারগী লোয়মলংশিং পুরক্কুক অসি মহাক্কী মমিক্তা করি অমত্তা উবা ফাথিদ্রে। নিলকান্তনা মাগী মতৌ অদু উবদা ব অমত্তা ঙাংদবমথৈ সাইকল থোৎ্র।

বা ঙাংদনা লৈবা হৈবা নিলকান্ত নত্তে। 'মাইডিয়ার! সুংঙাইতবদুগী সুংঙ হৈনবা থাক তৌসি। সংসার হায়বাস মাসগী মাস মঙ্গয়রে। কনানা অতম্বা মাটা তৌদুনা লাম্বা, কনানা মীগী মথুত্তা শিখিবা, অনা অমন শান্‌কৈনা লোক্তুনা শিথবা অসিগী মাস মঙায়রে। নহাক অদু য়োনা মাইরক হৈরাবা মীনা সংসারগী মরুপদা অদু য়োনা থংম্রবা কাম্বগীনো? তৌগদবু, মাই ডিয়ার! লেঃ লোরেন মোইরাং য়োবদা দেশ সেবাগী থংক্ক চপচানা উৎলু। নহাক লাকপদা মোইরাংগী প্রজানা উনিংবা এমক অদু উবা ফংলগানি। থম্বালঙাংবীনা মতা থরোলংবী অমম্ব অতৈ অতৈ মমামরীনিংশা লৈম্বা। মফম অদুদা নহাক্কা দেশ সেবাগী থৌদা তৌফম থোকপা নথৌ অদু নিংথিনা লাংথোকউ কলিকাতাদা লৈরবৈঙ-দম্ব দেশ সেবা তৌদুনন্ত লেমক্রবনি। অসিদম্ব অদুগী অদু মঙায়। নেতাজীগী ষ্টেটউ লেক উবদা নহাক দেশপ্রেমগী ইথক্কা নশা অপুম্বা সমুদ্র মপান্দা কনাগুম্বা তীর্থ চৎপা মীনা কমদুনা লৈরিঙ্কেদ; সমুদ্রগী করর পারক্রনা সুমগুম্ব দেশ প্রেমগী ঈথক্ক নশা পুম্বা লুপকদবানি। মফম অদুদনি নহাক্কা থম্বালঙাংবীদু পম্মৌ কায়নবগী হৈচাক মুৎশিনদৌরিবা। মফম

অদুদনি মহাকপু সংসার টিকনবীগদৌরিবা হায়না হায়না মথানি মোইরাং মৌরক্নে।

নুমিৎ অদু নেতাজী সুবাসচন্দ্র বোসকী দেশ প্রেমগী মরমদা আই. এন. এ মেমোরিয়েল কোমদা চাওবা মিটিং অমা তৌরম্মী। মখোয় অনিনা নেতাজীগী ষ্টেচিউ কেক উবগা জয় হিন্দ হায়দুনা খুরুমজরম্মী।

ইম্ফালদগী ভদ্রলোক অমা থুংলয়ে হায়দুনা ভলুন্টিয়ার ময়াম থোরকতুনা তরাম তরাম্না ওক্লম্মী। অদুদগী ভলুন্টিয়রশিংনা অমদি ঐখোয়গী মোইরাংগী ভলুনটিয়ারশিংগী লিডরগী মচুৎ শিনগদবগী হোৎনরক্লবা নিলকান্তমনা হায়দুনা, ফাক ফাক নোক্লম্মী নিলকান্তবুদ শংজরে অদু ভদ্রলোক অমশিগী লেকচর অমত্তং ওসিগী মিটিংসিদা পীবদবা য়াদে হায়দুনা। গোপীকান্তনা ওনশীন্দুনা হায়খ্রে। থুনমক সভাপতিগী য়াথং মতুং ইন্না গোপীকান্ত অদু ফংফমদগী হোৎনদুনা প্লেটফর্মদা কাখৎতুনা বক্তৃতা তৌরক্লে

ইকাই খুম্নবা সভাপতি !

তিনবিরিবা ইপা ইপল, ইমা ইমেন, ইচিন ইনাও ইচন ইচে পুম্নমক।

নেতাজী সুবাসচন্দ্র বোসকী দেশ প্রেমগী মরমদা ঐহাককুসু-না হায়বদা মতিক চাবাদি ওইরোই হায়বাস ঐহাক হায়না খংজে। অদুবু সভাপতিগী য়াথং মতুংইন্না থরনা হায়জগে। মসিদা অরান অচুই য়াওবা থাকপুমনক্না কবিসু খংজবা অডিয়েন খনবদুনা চাকপিনবা খুরুমজরি।

ঐখোয়গী ইবৈবাক ভারত অসি চহি চনিয়োম ব্রিটিশ সাম্রাজ্য বাদীগী মখাদ লৈদুনা ভারতকী প্রজাশিংনা অবা-অনং নাংখিবদু খাদুনা লোইবা পোৎ নত্তে। লৈবাক অসিবু মনিং মখা তঙ্বা লৈবাক অমা ওইননবা লোৎনবদা ভারতকী দেশ ভক্ত মশিং লাকপা ঙমদনা মরৈবাক্কীদমক্তা নথবাই কৎথোকপ্রবনি। পুম্নমক অসিগী মপুংদা মহাত্মা গান্ধী অমসুং নেতাজী সুভাষচন্দ্র বোসনা অথোইবনি।

নেতাজীগী দেশ প্রেমগী মরমদা খাবা ঙম্বা পোৎ নত্তে। মহাত্মা গান্ধী অমসুং নেতাজীগী মপাম্না ঐখোয়গী ভারতপু কায়গী মতৌগুম্না মনিং মখা তঙ্বা লৈবাক ওইহনখিবনি হায়বনি ভারত অপুম্বনা য়ানরিবনি। নেতাজীনা লিংখৎলম্বা আই.এন.এ. গী লাম্মী কয়া কয়া নিংতম্বগী লানফম অসিদা লোক্ল লোক্ল শিখিবা অদুগা নেতাজী মশামকথ মীওইবা পোক্লবদা শিবা কিবগী বাখল চেনখিরবা মহাপুরুষ অমনি। অমরোমদ, মহাক অসি কর্মযোগী অমনি। মীওইবনা শিবগী বাখল খল্লোইরবনি, পোক্লবাদ তৌকম খোকপা ইথো তৌগদবনি হায়বসি নেতাজীগী কর্মযোগী অসিদগী খংবা ঙমই। লানফমদা মপা কায়নখিবগী, মচা কায়নখিবগী তেংথারোল আই. এন. এ. গী তেঙ্কোল মপুংদা নেতাজীনা তাকনখিদে। মথৌ লোইরা লোইরদুনা চৎনখিবনি হায়রদুনা পুম্নমকপু নেতাজীনা খেমজিন খেমজিন্দুনা অরেপ্প লৈতনা ইমা লৈবাক ভারতকীদমক অকনবা লান থেংনখি। পোক্লবদি শিগদবনি, করমগুম অমম নত্তে, পোকচবগী ইথো তৌরমলগা সংসারদগী বিদায়

লৌগদবনি। মরুম অদুনা কিগনু, খোনা কৌ, ঐথোক্লা ঐ পীয়ু, ঐবা মনিংতম্বা পীগে, হায়দুনা অজাদ হিন্দ ফৌজগী ভেদ্রোলর নেতাজীনা মথৱাই কাপলম্মী। ঐহাক্না হায়নরু হায়জগে, নেতাজীগী দেশ প্রেমগী মরমদা থাদুনা লোইবা পোৎ নত্তে, অদুগা লমদম্বগী থাপ্না লাকচবগী থৱস্ত রাজরে, মতাং অসিৱাইদা অরুম লোইজরগে। জয় হিন্দ।

মীয়াম্না লোইবদি লোইরো অদুগা জাসিগী মিটিং অসিদা তিপ্রিবা ময়াম অসনা ইবুংঙোগী ফজনরবা শক অদো অমুক্তা মুম্না য়েংজনিংই। প্যাথং লৈশাবী পুন্নম্না ইবুংঙোগী ফজথরবা শক অদু য়েংজনিংলক্লিবা অসি মতম কুইরক্লবনি। প্লেট ফোর্ম অদুদা ভাইবাক্তা লেপপিথো হায়দুন লওনরক্লে।

গোপীকান্তনা মশক ফজবা অদু ময়াম্মা য়েংবগনি হায়বদুদা প্লেট ফোর্ম মথক্তা পাথং লৈশবাংশিংগী মমাংদা ইকাই ইকাইনা লেপজুনা লৈজরম্মী। আর, এন এ. মেমোরিয়েল কোলদা তিল-লিবা মীশিং অদুনা মহাকপু মিৎকুপ্ত লৈথ য়েংলম্মী। অমত্তা মায় লৈথোকপ ঙমলমদে।

লৈশাবীশিং অদুগী মরক্তা থম্বালজাংবী অমসুং খোমলংবীসু য়াওরম্মী। থম্বালজাংবীনা থারুম্বীদা কুয়ুমই, 'ইচে! গোপীকান্ত হায়রদো অসি ওইরবেইরে। মহাক্তু পাথংলক্তা খুডৈদগী ফজবা ওইরবস্ত থেকাসু লৈশাবীমক্তে খুইদগী ফজবীনি হায়না মরুম সুপ্তশিংগুনা কয়ংবরিবন। চাইথৈরোংগী গোপীকান্ত হায়বা পাথং অসিদি য়েংবা লাকপা ঙম্বা পোৎ নত্তেদনা। থাকা

অসি শম অমত্তা হেক শম্লবথৈ মরক মরক্তা ফং ফং কাইরি। খম্বালমানবা মিংঙানা তেথক তেথক্তা শাজ অমোমগী মতৌগুম্না মীয়ামদা ইকাই থিবী ফনাগুম্বী পুক্কানা য়েংবগুম্না য়েংলিবসি করা-দা পুংশিল্লিবা। লাইবক্তা সিন্দুরনা মকম চানা নম্বদ পুমিং থোক্লমদাইগী অঙাংবা মচুনা অয়ুক শিন্দুর ঙাংশং তৌবিবগুম্বনি। খম্বৌ হেরা মানবা প্লাথোক অসিদা সনাগী ঘড়ৌ শিবদ কোবৌ সুমিংকী মশেক্তা ইকাইঠুনা মাসেম লৈদা কাইথরি। মাইনা সিঙ্ক হাফ ক্লিংপদি পাঙং ওয়াগী ৰুমজাংঙাইনা পুংশা ভাথরক-পনা তুংদ্রিং তুংদ্রিং তুম্না কম্বাদা ফজনা ভাথরবা। থুনিংথোদা শিরিবা সনাগী খুদোপ পিকতক অসে মমল থামদ্রবসু ফজননা শিরবদি মমল লৈখিদে নোংমবা থুংদা সনগী মচুনা মরিক মরিক শক্তেংসবা পেটি লাকপদি মজাগী থাংলগীসু হেন্না কৌরে। খম্বাল মানবা মায় অসগী ওইরোম থংবদা শমক্ত মচা অমা লাপুকংসেবাসম লৈহৌ পাম্বা থোইমু লমনা খম্বালঙাংবী লৈহৌ চুপকদগী ঙাইহুনা লৈবা মতান

তিল্লমলিব পাঙ লেপাবালোনা লাওরকই,— বালহারী মচা! সাবাস! ঠিক দৈ! থাগৎলুনে, খম্বালঙাংবী! ফজবগী মগুনশি ফজবতনা থংবনি। থাগৎলু, হেক তথ্বমথৈ থাগৎলু।" নিংকাস্থ অদো ফানশং ফানশাং থারবা অচুগী মানং কথং থংবা অহানা ফমজুনা তুম্না মমম্না থাগৎনরিংডু ওরি গোপীকাস্তদি চৎপস্থ ঙাদ, কম্মু মদ মথাই অতু কমলা মচু ময়াম ইকাইহুনা নিলকান্ত বদামুদা চৎলে ওয়না মশং অনি অচুম মরক মরক্তা লোম্না লোম্না থিরক্ল।

ভাইদাক লৈরগা লৈশাবীশিংনা হায়রকই, — ঐখোয়গী চৌংথৈরোংগী গোপীকান্ত হায়বা পাখং অমগী মমক ফজনবী মরমদা লৈশাবী মশেল হায়নরকপা তাজখিবা কুইরে অড়ুগা শকতি ভসি উজবা অসিনা লোইরে। নচনপগা লৈরবদি ঐখোয় ইভো শাম্নজগে অসিদা পুরকই তাখো! লৈত্রগগী ঐখোয় ময়ামসি নচন ওইজগে।

নিলকান্ত অমো গোপীকান্তনা য়ম্না ঙকাইদুনা ময়ামদগী খোকখবগী য়াদে তৌরবা মতা অড়ু থংলদুনা মনাক্তা পরপ পরপ চংশিনকদুনা মথাম্ব মখিং অদু ফজরবা কুমাল অমা পায়রগা লৈথোকশিরম্মী মতম অদুদা গোপীকান্তনা হায়রম্মী,— ' মাইডিয়ার! মাইডিয়ার! এরু কয়ম তৌনদগেনে। অসি হায়দুনা নিলকান্তগী মরেংবাক্ত পাংদুনা সভাদগী থিনায় লৌজরগে হায়দুনা মথুং লোমরকপা মতুমদা মমম্ন অমুকস্থ ভাইখো হায়না পাওরক্লে '

খম্বা লভাংবীদি শুগাঙ্কবনা লোপরে। মতা থরোশংবীগা য়েৎকা ওইগ অড়ুম অমুম খম্বালভাংবীভু ফজংহন্দা নৈদি। অহল লম্মন খরনা হায়রকই: ' এখে য়গী শুংশিদা জসিগুম্ব মমক ফজবা পাখং ভাং অসি খেংবকরি। অসিগুম্বা পাখংসিদি য়ুম কয়াগী মতুংদা লাক্কদবনি লৈশাবী য়েংমা এথে থগী খম্বালভাংবী হায়বা মখোয় অসি অম মখোয় মখোয়গী অকল-লম্মম থাবা য়াদবা ঐখোয় মথাক জামনুনা লাংবীদুনা কুম্মেদুম য়োংশিবা খম্বালভাংবীগী পাবং অসিদ থাজরগদি লৈখোক লোইরবা লৈ-রাংনা পামেল উপলদগী কেনগদোরদা লাখিবা মুংশিংকী

ইপোমদা খাংডুনা জাইকাক পুংগোই শাগৎলগুম লৈজখিমগু হায়রবনি।

অহল-লম্বমগী বাক্স অসি অদুবদা গোপীকান্তগী মনাক্তা শেমজনা লৈবদা নীলকান্ত অদো অমুক হন্না লরপ লরপ খোকল-কুনা মনিং ইথং থংবা যফ নরক অদুনা অমুক হন্না কদলরে।

থম্বালগাংবীগী মমাম্থু মহা কৌবা লাকপদগী অহল-লম্বমগী বাক্স ভাংডুনা মমাদ খুরুমজরগা হায়জরকই "নন ইদি তোলবী-নি, ইপা ইপম্বশিংনা অদুম ফে ভাগৎলগা লোইরে।" সেবা সমিতিগী ভলন্টিয়ারশিংনা লাওরক্ক—'মমা মারে, ইবেমগী ইন্দোনগী বা লোইরে, মধু লক্কবা মথঙরকপা নিলকন্তগী বা অমুক্কা তাখিসি'।

নিলকান্তনা পুক্কং মকারাম্ব [illegible] [illegible] রাংনা থাংশক্তুনা হায়জরকই 'ননাইদি হর ওমননা লোইবনা পেংনি, ননাইগী নিংথা থুংজরে।"

গোপীকান্ত অদু [illegible]ইশিন্নরা [illegible] [illegible] অদু রুমালনা খুমদুনা প্লেটফোর্ম অদুদগী কুমথরে। নিলকান্তগী ব অদু তাবদা গোপীকান্তনা রুমালনা মমাম অদু [illegible] মাপ উমদনা য়াম্না লোক্লমী।

থম্বালগাংবীনা ময়াম [illegible] [illegible] [illegible]কাইশিল্লগা মমায় মমিৎ পুম্নমক হক্তাম [illegible] [illegible] অদুগা থুম [illegible] মতু থরে লংবীগী মনাক্তা হোৎচিনশিরম্মী। নিলকান্তগী বা অদু তাবদা মমাইদা হাইদোক্কনা য়াম্না নেংক্লম্মী। মীদ কনা অমত্তু খংখিদে।

খরোশংবীন্তু নিলকান্তগী বা অদু তাবদা কিরুপ খুমজিল্লগা তুমিন তু'মন্না লোক্রম্মী। মখোয়না নোক্লিবগী মরমদি নিলকান্তনা মবুংনগা হায়বা শাবন্তুনা খুমলক্লিব; বাতা লকতা অদুগী দময়কনি। নিলকান্তগী আশাদি খম্বালঙাংবীবু গোপীকান্তগী তালেই ওইহনবা হায়বা অসিনি। মসিদা মম্বাকনাদি মবুং মৌপুরানা হায়বা কৌনব' কাম্ভরিবনি হায়না কৌবা অদুগা মখোয় অত্তম্বদ নিলকান্তনা নিংলদু খংবদগী নোক্রিবনি।

নিলকান্তগী মরা তাবদা সেবা সমিতিগী কাংবু অদুনা খুবাক প্রোক প্রোক খুরম্মী। ভিজিল্লিবা মীয়াম্না খুবাক প্রোক প্রোক খুরম্মী!

ডাইরেক্ট লৈরগা অক্স-লম্মন অমম্তুং সেবা সমিতিগী কাংবুগী মবুং মৌপুবা কক্রবা পাথশিং অদুনা হায়রকই অসি য়োনা কক্রবা বি, এ দস্তু ফাইট ক্লাসতা পাস তোরবা পাথং অসিদা ঐখোয়গী খম্বালঙাংবীবু থাজৌদ্রবদি ঐখোয়গী সেবা সমিতিগী লৈশাবী শেমগৎপগী থৌক অসি শোয়বা তারে, অদুনা কন্দকী কালেনগী অক্ষয় তৃতীয়া পুনিংগী নুমিংবগী নুমিৎ লেপলসি।

ময়াম পুম্নমক ফরে ফরে হায়নরক্লে।

নিলকান্ত অদো গোপীক ওরেমদা ওশলক্রদুনা হায়রকই —'লেংডো মাইডিয়ার! ঐদ হৌনগী নুমিৎ লোইখ্রিবা ফাওবা মোইরাংদা লৈকৌবা তারে।

নিলকান্তগী বা হেক তাকপা গোপীকান্ত অদো কুমালনা মমায় খুমজিল্লগা মফম অদুদগী সাইকল তোংদুনা থুনা থোকখিরম্মী অমম্তুং ভম্বকৈ ময়ুং তামঃ থোখিরম্মী।

ডাক্তর গোলাপকী খোংচং।

শাংলিবা নৈরাং নৈতোনগী
থংমনা পাঙ্‌শিল্লি খোইমুনা,
মাইনা হুম্ব খাংল কিনা
কংখিদো চৈরাক তোকখিংলদো লেম্বা।

ডাক্তর গোলাপ সিংহ্মা ভদ্রলোক অমনি। মবুকনেনম্ব চাওপ্রবা মীনি। মখন্ত শিংগা য়াম্না লেম্বা ভদ্রলোক অমনি। মহক্না বাকতার তৌদনা মী অমত্তা ফচুড়া লৈবাক্কা লৈতে। ভারতকী মফম কয়াদা মখাক চৎলুরমনি। চৎলুবা মফম খুদিংদা মহাকপু মতিক চাননা বাবুবার তৌরকপা ঙম্মনি।

মখল মখলগী ফংজেং খেংল কোংমতুনা চৌং-মাল কয়া কয়া শা-নৈ কিদ্দবমখৈ চৎখ্রে। তুরেল কয়া কয়া, পাৎ কয়া কয়া হি তেংতুন লোঁজু মুংলাগী অমা অনা খোওইদনা চৎলক্রে মশক খঙদনবা পান্থ খোলুগী থিজেং লেংতুনা রেল কয়া কয়া তেংলক্রে। সহর, খুল, লৌবুক লমহাং কয়া কয়া লান্নুনা ডাক্তর গোলাপনা ইকোৎতোম্বা অমসুং চাওরাংমচাবু কয়া থিরক্রে। মথৈখংদা রক্কুনা অফ খুংঙাইগী ইমুংদগী হৌরকপ লিনা মতম থরাং ফজরবা দৃশ্য য়াম্না উবা ফংবা সহর অমদা চৎতুনা থরা খুংঙাইকুগী থন্দুনা মমাংথৈদা আসামগী কোম্ভং ওইরম্বা শিলং তাম্না খোংথাক্রে।

মহোশানা শিলং তাম্বা সহর অসিগী ফজবদি ভারত পুম্বনা থংনরিবনি। খুৎশেমগা প্রকৃতিগা ফজবা তাম্বা সহর অমত্তং থিরকপদা ভারতকী মপুংদা শিলং তাম্বা সহর অসি পনরদা মতিক চাবনি। প্রকৃতিনা খুৎশেমবু মাংহনবা অদুগা খুৎশেম্নসু প্রকৃতিবু মাংহনবা অদুগুম্বা সহরদি শিলংদি নত্তে। শিলংগী ফজবা দৃশ্যদি কবিতনা থাবদ মতিক চাগদবনি! চীংগী লোক-সুংদগী খোংলকপা তাম্বাগী খোঙ্গেলগা সহরগী গির্জাদগী থাদুসি লৈশাবীশিংন শকুকপা ইশৈগা মিন্নত্র সহরদগী অসুম অসুম উচাল পাম্বী পবেংশান হৌরম্বদগী চীখা ফাওব উচীল পাম্বী-তনা শমথৎত্র। চী চেপতা ঈফুৎ মচা মচাশিংনা থাক থাক লাইনা ত্রোং ত্রেং হায়না মখোল খোকলি। নামিবা সুংশিৎনা লিরি লিরি শিৎলকপদা মখোল অদু অমুক হেন্না সুংশিন্নে। সহরগী শোরোক্কী মতাইদা ইলেকট্রিক থওবৈনা ইঙাল ডাম্না থাম্লি। অসিগুম্বা ফজখৎবা সহর অসিদা ডাক্তর পে লাপনা মাগী বেরৎতগী সহর অদুগা চান্নবা ড্রেশ থনদুনা ফজনা শেৎ-চাদুনা শিলংগী দৃশ্য য়েংলি।

নোংমদি অসুম অসুম চৎলম্বদগী ঈফুৎ মচা মচাশিংগী ত্রোং ত্রোং লাওবাগী খোঙ্গেলনগা সুংশিনবনে, থাদী লৈশাবীশিংনা গির্জাদগী শকুকপা ইশৈলগা সুংশিনবনে' বাখল অসুম অসুম সুচাই-থৎলজনা অসুম অসুম লোকথাদা কুমথরক্লে।

লোক অদুগী ময়াদা চাওরবা খোংনাংবট পাম্বী অমা হৌ-রম্মী। মহোশানা চীংদা হোবা উপাবীশিংমা ভমদা হোবা

উপান্বীশিংগা য়াম্না খেনৈ। খোংনাংখট পান্বী অদু মশা মমেং কল্লদুনা মখোংদ শী চাতরুক চাতরেৎ তিনবা য়ায়বা পান্বী অচৌবা অমনি। মথক্তা হুয়ানবা, ডাকু কয়া কয়াগী লোৎখম ওইনবিরমনি। মহুদা কাখৎলপা য়েংথরকপদা লোকসুংদা শংত্রিক শংত্রিক শংনা চেল্লিবা ঈশিং অদুদা ফৌরিবা মতমগী ঈশিংদা শাংপা কক্লবা নৈশিংদু উবা ফংই।
ডাক্তর গোলাপসু য়েংনিংমনক্লদুনা খোংনাংখট পান্বী অদুদা কাখৎলপা লোকথা অদুদা য়েংথরম্মী। চাওরবা সুংক্তাও অমগী মথক্তা মশাদা হায়ু-হানাই তৌবা, মকোই ময়াং থাকপা ডাকু অনিমা মথুৎতা মোংৎনৈ অমমম পায়দুনা থারো শাদুনা লৈবা অদু উরম্মী।

পাকিরিবা ইবুঙো ইবেম্মশিং! ডাকু অনি অসি অতৈ কনা নত্তে, ইবোতোম্বী অমসুং চত্রাংমচানি। ডাক্তর গোলাপ য়াম্না কিরে। মতাকসু মাগী বেগতা পিস্তল য়াওরিবনি। অদুম ওইনমক মখোয়পা খেংনবদা কিক্তম কৎলোইদবদু উবদগী ঊনা পুংক্লবা মকম অমদা লোৎতুনা লৈরগা মখোয়না শারিবা বাফিদু য়ুম্না তারম্মী।

চত্রাংমচানা ইবোতোম্বীদা হায়রকই, 'মাই তিম্যার ইবোতোম্বী! কাম্নদে, ইবানিনা কমলগী অশিথ মশাসু থিনা কংত্রে; মাগী থুংকম কাহ্‌ড়গী পাথরকান্নিদা লৈবা খোংবানতাবম তোম্বা-খোইবা শক্তন তৌদুনা থিবদস্তু কংত্রে। ময়ম অদুনা হৌজিক্তি ইবানিনা থম্নপদবা অমা লৈরে। নহাক লাইবক ফয়বনি। মচানুপী খম্বালঙাংবী অসে হন্দক্তী লাকইব। কালেনগী হুমনি পুনবা

অক্কয় ভূতীয়া সুমিস্তা জুহোংখিগদোরে । মসিদা ইবানি থবক পাংথোঙদবা অমা নৈরে' ।

চগ্রিংমচাগী রাদু ভাবদা' ইবোভোঙী খাই লাওবে মনিংভা মপী ভরং ভরং চেষরকই । 'অত্নমককা ভোজ লাকচগ্' দাও রাদে' নরিগ নৈভবগী থবক্কি । সেঃ ইবানি ইথুং ইথুংভা পারিবা নোংনৈসিগা দোয়নত্তনা অরে'নবা ফিজেং শেংতুনা জুহোংকমদা মরাম ভিল্লিংতুদা রাওশিন্দুন' মিকুপ নাছুমশিংনা নৈগদবনি । অত্নদগী মরকষ্ণা পুরূপ পূম' নৈবা মজমদুদ' নোংনৈনা কাপতুনা ব'ংভোরুগা' লে ইরে। ইবানি অত্নংগী ভ্রমটেং চেনগদবনি । ভায়রকপা অমা নোংনৈনা কাপতুন' হেক বাংপদা মরাম অত্ন কাযত্তনা মরাইনা চেঙ্খিগদবনি । অত্নদগী ইবানি অনকপা চাং অমদা চেনাশিনথরগ' লোইরে" হ রনা চগ্রিংমচানা কাযরপ্পী ।

"বেশ ! বলিহারী ! সাবাস ! মত্নক পামভৈ, ভাকু নেভা' কায়না ইবোভেঙ্গীনা চগ্রিংমচাগী মথুং অত্ন রমা রমা থুংশোরুপ্পী । অ'স হ'য়নত্তনা মথোয় অনি লোকসুং অত্নদগী অস্ত্রম চংথরে ।

মথোয়না চংগ্রবা মতুং অত্নদ'দ ড'ক্তর গোলা'প অদো ঐগী নিংবা থুংলে কায়ত্তনা থোংনা বট পাবী অত্নদগী ভূমিগ্না কুমথরক্লে । অত্নদগী কম্নগী মভোগুনা শিলংগী ফকরং দৃশ্যশিং অত্ন য়েংশিনরগা থীন্দনা কাছাড়দা বল্লরুপ্পী ।

ডাক্তর গোলাপ অমসুং কমলগা লেপনবা

ডাক্তর গোলাপনা মাগী লৈকম কাছাড়গীপ থরকাদুনা হেক থুংবগা ডাকু অনি অদুনা লোকসুংদা চংনখিবা বাড় কমলদা লেংনা তমলম্মী, অমস্তা পোকচবী অংংগীনা থাক সুংখিলগীনা কোরৌ সুমিৎ ওইনা লৈজরিবী মচাসুপী লৈশাবী থম্বালঙাংবী অদো লুহোংগদৌরে তাবদা কমল অদু য়াম্না সুংঙাইরম্মী। অদুম-দি ওইরগা বরন কনা ওইরগবা হায়রবগী মরমদা মহাক য়াম্না লাংতক্লরম্মী। মচাগী লুহোংবগী শিল্লাংবস্ত য়াওজহৌরে, মকম মরাং থংদনা ইচাবু থাজবিগত্রা হায়বাসগী মপুক্লিং অদু চরাং খোইরাংথৎলক্লে। ডাক্তর গোলাপতা বা থরদং মহাক হংজনিংলক্লে।

কমল — ডাক্তর বাবু! ডাকু অনি অদুদা মফম কদাইদা থেংনবিরুবগে?

ডাক্তর গোলাপ — ঐহক্না থেংনবদি শিংং হায়রবা মহর অদুগী লোকসুংদনি। ঐনা অসুম অসুক চৌংনা লান্দুনা শাকৈ কিদনা মীচাৎপশিংদু থিরকপদা শিংংগী লোকসুং অমদা সুংঙাও অমগী মথক্তা মীচাৎপা অনি অদুনা বারী শাংদু তারম্মী।

কমল — অদুদি ডাক্তর বাবু, মীচাৎপাশিং অদুনা ডাক্তর বাবুবু হাৎকে হায়না তৌরক্তবা?

ডাক্তর গোলাপ — নাইথো, ঐ হায়থরকখিগে — মথোয়গী মনাক্তা চংদুনা বারী অদু তাকপগী য়াংনক্তে। লোকসুং অদুগী মনাক য়াম্না মক্লা হৌবা চাওথরবা খোংনাংদক পাম্বী অমগী

মথক্তা কাথৎতুনা মখোয়না উদনবা লোৎতুনা লৈয়গা তায়কপা য়ানি। মীহাৎপা অশিতুনা নচাস্নুপীগা বয়গা পুন্নপনা লুহোং-ক্নবদা লৈবা মতমদা শোংবৈনা কাপতুনা হাৎলসি হায়না লেপনখরে।

কমল— য়াম্না থৌনা ফনা তৌগদৌরিবা থবক্নিনা ডাক্তর বাবু! ননাইগী ইচাস্নুপীগা বয়গদি লুহোংবা নত্তেদনা মমং থিবা হায়বতু নদন হায়বগা কমল অতু হিক্ক হিক্না কপলম্মী।

ডাক্তর গোলাপ— সেয়া, তাদ কমল! মী অতুক য়াম্না তিনবা মকম অতুদা ডাকু অ'ন অতুনা বয়-কন্যা অনিবু তয়াই ঙম্নাইনা হাৎপা ঙমগদবনে?

কমল—ডাক্তর বাবু! ননাইদি পাংথবা মীনি। ননাইনা হায়জারিবদি মাথাংগী মথৌশা মতা অতুনানি।

ডাক্তর গোলাপ— মখোয়গী মথৌশাদি কয়িবু হায়গনি, তাদ কমল! লুহোংকনদা বয়-কন্যা অনিবু শোংবৈনা কাপতুনা হাৎলগা চেনখিবদা তায়রকপা অমা শোংবৈনা কাপতুনা হেক হাৎপদা ময়াম কায়দুনা চেক্লাপগনি অতুদগী অনকপা চীং অমদা চেন-শিনখ্রগা লো বেগগা হায়নরিবা পোংথানবে।

কমল— কিল্লেদা, ডাক্তর বাবু! ননাই এহাকী ইচাস্নুপীগা বয় অসিগতা ডাক্তর বাবুনা মথবাই কনবিরবদি সুংঙাইরম্লিদা।

ডাক্তর গোলাপ— তাদ কমল! নথবাই কায় অমত্তা য়া-গনু। নংদি নথবাই সুংঙাইরনখিতুনা কন্নক্লা অসিদা স্বর্গ কায়-গদবনি। মখোয়না বয়-কন্যা অনিবু শোংবৈনা কাপতুনা হাৎকে

হায়না খোরাংলিবসি মখোয়বু কাপচদুনা শিজয়গে হায়বা হায়রি। মখোয় অনিদি লুকোংবা শুমিৎ অমিদা ঐনা খুঁজল খোরাং তৌদুনা কাছারগী পুলিস ষ্টেশনগী থানাগী বাবুশিংবা নমদুনা কাহনগদৌরিবনি। মীয়াম মমাংদা লেপশি শিগদৌরিবনি। মখোয়না পায়রিবা নোংমৈদুনা কাপচদুনা শিখিবনা হেন্না করবা পোৎনি।

কমল— ননাই ঐহাক য়াম্না মুংঙাইজরে, ডাক্তর বাবু! খুজিল খোরাংদু অমুক্তা হায়থাবিরকউ।

ডাক্তর গোলাপ—ভাদ কমল! ইবানি কছারগী পুলিশ ষ্টেশনদা চৎলসি। নশক খংহনবা য়াদে। ঐগীদ নৈরিবা লিলা শায়বগী কোই অসি হাপচিললু। পাঙল খোমবীগী তুপা অঙাংবা অসি উপশিললু। লোংগী অসি শেৎচিললু, ফুরিৎ অচোনবা অসি লিৎশিললু। পাঙল ওন্নগরবনি। পুলিশ ষ্টেশন য়োটিন্না কাওবা চৈশু পায়দুনা নখাং কোয়া কোয় চৎপা তোকপা য়াদে। পুলিশ ষ্টেশনগী থানাগী বাবুশিংগা লোইননা ইবানি লুকোংকম ভান্না খোইরাংদা চৎলগদবনি; ভকু অনি অদু নমদুনা কাগদৌরিবনি। নচাপুপা নৈপাবীগী লুকোংবসু য়াওগদৌরিবনি, থিরে চৎলসি।

কমল—ননাই ঐহাক য়ামা মুংঙাইজরে। পুকচেল চাওরবা ডাক্তর বাবুন ননাও ঐঙি থৌরাং কনাখরক্রে। হোউক অমুক্তা মীহাৎপা অনি অদু কাদুনা মপিক ওকপা দাও পীবিগদৌর অদুগা ননাইগী ইচাপুপাগী লুকোংবসু য়াওবা ফংজগদৌরি। ননাইদি ডাক্তর বাবুগী লম্বুম তোন্দুনা শাৎখিদে। হয়েংমুক্তা

মপোক্কী মনাইনা লম্বন শিংজগে। অসি হায়দুনা কমলনা ডাক্তর গোলাপকী মখোং পায়দুনা ওখোংনা কপতুনা খুরুমজখী। ডাক্তর গোলাপ— জাদ কমল! হায়বিদে। মদুগী মদু হায়বিদে ঐহাক মীগী সেবা তৌবতনা পেনজবরনি। ডাক্তরগী থবক তৌনা তৌন মীগী সেবাদ থবাই থাম্না থাওরকপা মী অমনি। মদুগীদমক ভারত সরকারনা উপাধি কয়া কয়া, মেডেল কয়া কয়া পীরবনি। হৌজিক ঐনা থবক্কী পোৎখাওবা মতম অসিদদি মপুং ফানা মীগী সেবা তৌবা ঙংজরে। নহাক্কী মাহৈ থবদুনা ঐগী থাম্বাই অসি পেরে কদিগী লম্বন তৌনগদগে? হৌগৎলো চৎলসি।

পুলিশ রিপোর্ট

ডাক্তর গোলাপনা হায়বা বাশিং অসি মাবদুনা কমলদো চৎননবা খোয়াং তৌরক্লে। ডাক্তর গোলাপনা ইমুংগী মুপী, অঙাং অমসুং মীনাইশিংদা মাং চেকশিন্না মী অমত্তা থংহনগনু হায়না শিন্নরখী। অদুদগী কমলগা লোইননা কাংলুগী পুলিস ষ্টেসন তাম্না চৎকদবগী খোয়াং তৌরক্লে। কমলনা পাঙন তুপী উপলদুনা মকোই হাপচিল্লুনা হম্বা শারদুনা চৈশ পায়রগা মথাং কোম কোম ডাক্তর গোলাপকী মতুং ইন্দুনা খোকখিবা অদু মেং-দুনা মখোয় ময়াম তুমিন তুমিন্না লোক্লি।

মতেক থব খোংনা, রিকসানা থব, মেলনা থব অমুক লাকপনা কাংলামগী পুলিশ ষ্টেশন থৌরক্লে। হেক থুংবদা ডাক্তর

গোলাপনা পুলিশ ষ্টেশনগী এস, পী, সাহেবত্তা সলাম তৌরম্মী। কমলদি সলাম তৌবা হৈদ্রদুনা মৈতৈগী ইপা ইপুগী চৎনবী মতুং ইন্না খুরুমজম্মী। এস, পী, সাহেবনা ডাক্তর গোলাপপু মতিক চানা সন্মান উৎলম্মী চৌকি অমদা ডাক্তর গোলাপপু ফমহন্নগা এস, পী, সাহেবনা হংলম্মী, পাঙন হন্নুবা অমা পুহুনা ডাক্তর বাবুনা মফম অসিদা লেংবর্ক্রগা অসিবু করি হায়বিগদবা লৈ-বিবগে ?

ডাক্তর গোলাপ ননাই অসি মণিপুরগী মোইরাং থাবা লম অদুদগী কাম্বা লম্লোনবা কাছারদা লাকচবনি। ননাই অসে পাঙন নত্তে, মৈতৈনি, মামংনা কমল কৌই। লোংমা কাম্বা লম্লোনবা চৎচবদগী লমহাং অমা শগদুনা মাগী থুংফম কাছার পাথরকান্দিদা লৈবা থোংবাস্তাবম তোঙাখাইদা লল্লকপদা ডকু অনিনা কাম্বা লৈশিন্নরগা হু তৈবা তম অমা পীজরগদুনা লম্লোনবনা ফংলকপা শেলমথৈ পুহুনা চেনখ্রে। ঐহাক্না লমহাং অদো শমদুনা য়ূম তান্না লাকপদা কন্থা মথক্তা ননাই অসিন হিপতুনা লৈরবা অদু উরম্মী। অহল অমা সুভাইনা তুমলেম্মা লায়দুনা চংশিন্দুনা য়েংলুবদদি অশিগা মী অমা ওইনা উরক্লে! থার্মোমিটর পায়-দুনা মিহুম য়েংবদা মিহুম খাক্তকক্তং লৈরম্ অদু থেংনদুনা মহাকপু কনগদবগী ঐহাক্না কন্না হোৎনরম্মী। অদুম অসি লম্লোনবা চৎচবদা ডাকু থেংনদুনা হু পীজরমলগা শেল লাকতুনা চেনখ্রবনি হায়বসি ঐহাক্না য়াম্না মুন্না খংলম্মী। ঐহাক্কী বেগতগী হু মাংহনবা তমবা হিদাক থাদুনা থুদক অদুদা মহাক জ্ঞান তারম্মী। মহাক হিংলকপদা ঐহাক্কী হায়বিও ই লৈতনা সুভাইরে।

এস পী, সাহেব — মুংঙাইদা ডাক্তর বাবু! খুৎ অমুক্তা শোকচখিগে, মথা হায়খবিরকউ।

ডাক্তর গোলাপ — ননাই অহল অসিনদি পুংবনিদা মফাক্কী থ্ংকম পাথরকান্দিগী খোংবাক্তাবম তোম্বাখোইদা চৎকদৌরিবা অঙ্গুপা ডাকুশিং অদুনদি মশা শিরবরা শিদবরা খিরকখিগনি হায়-বদি থংদবা অসি থংলদুনা ঐহাক্না মথক্নাই হিংজনবা মরম অমা মঙোন্দা তাকপিয়ে।

এস, পী, সাহেব শিংথয়েদা, ডাক্তর বাবু। লুটরালাশিংগী চৎনবী ফাওবা ডাক্তর বাবুনা থাবিয়িবসে। চুমকনে, মখোয়না হাৎতোক্লম্বা মীওইদুনা শিরবরা শিদবরা হায়বসি খিজিনবা মখোয়গী চৎনবীনি। মথক্নাই হিংজনবা মরমদু অমুক্তা তাকনিংই।

ডাক্তর গোলাপ — ঐহাক্না মাগী লচোনপোৎ কাম্বশিং অদু হন্দোক্লমলো, অদু ওইরবাদ লুটর লাশিং অদুনা শিয়ে হায়না কাম্বাশিং অদু উবদগী থম্নগনি। মখোয়না করিগুম্বা শি শিদে হায়বগী মরমদা চিংনরবদি মাগী থ্ংকম খোংবাক্তাবম তোম্বা-খোইদা খিরকাখিগনি। মকম অদুদা লুটরালাশিংনা থেংনরবদি ননাই কমল অসি হাৎখিবা তারে। মরমদি মহাক্তদি লুটরালা-শিং অদুবুদি মশক থংহৌরবনিদা নোংমদি মখোয়বু হাৎলবা তারে হায়না খনবদগীনি। মরম অসিদগী ঐহাক্না মহাকপু ঐগী য়ুম তাম্না পুদুনা মপান থোকহন্দনা থা থাগী লুপা চামরি চামরি পী-দুনা ইমুং মচুংগী থবক তৌহন্দুনা থম্মদগী মথক্নাই হিংজরকপনি।

এস, পী, সাহেব (পুলিশ মহাক্তদা) পুলিশ ষ্টেশনগী মকোয়রবসি ডাকউ। মসুংদা মী চংহনকসু। বা অঁাম মীখং-হনরা যাবা পোৎ নত্তে।

পুলিশ মহাক— হুজুর! হুজুর! ডাকচগে, ডাকচগে।

এস, পী, সাহেব—করে ড ক্তর বাবু! ননাইসি মথবাইদি হিংজরে। মহাকপু ডাক্তর বাবুনা শিগদোবদগী কনাববা অসি-গীদমক ঐহাক্না মন্না মন্না খাগৎচরি। ডাক্তর বাবুদগী খংজনিংবা বা খরদং লৈজরি ডাক্তর বাবুনা ড'কুশিং অদুবু ফাননবা থোৎ-নরিরমগনি হায়বসি ঐহাক খাজে। মদুগী মরমদা খরদং খংজবা পামজৈ। ডাক্তর বাবুদি পুকচেল চাওরবা খ্বাইনা খংনরবা মী-শক অমনি।

ডাক্তর গোলাপ— হুজুর স'হেব! ডাকু অনি অদু ঐহাক থেংনজরুরে। মখোয়বু ইরায় লায়ন' এস, পী, সাহেবনা কাবা ভৎলপদবা পোৎনি।

এস, পী, সাহেব— মকম কদায়দা মখোয়বু থেংনবিবগে অদুগা করম তৌনা মখোয়বু ফাগদগে হায়বা অদু অমুক্তা হায়-খ্বিয়কউ।

ডাক্তর গোলাপ— হুজুর! ঐহাক্না অবা-অনা থিদনা, শা-কৈ কিদনা, চীং-খান, লৌবুক-লমহাং শমদুনা, ভুরেল কয়া কয়া লান্দুনা অপুম অপুম ডাকু অনি অদু থিরকপদা শিলংগী লোকমুং অমদা থেংনজরুরে। ডাকু অনি অদুনা চাওরবা মুংজাও অকনী মথক্তা কবদুনা বারী শারম্মী। ঐহাক্না লোকমুং অদুগী মনাক্তা

কৌরিবা চাওরবা খোংনাংবট পাম্বী অমদা কাথংতুনা লুমহনা মখোয়গী য়া অদু শিং শিংনা তারম্মী। মখোয়না ননাই কয়লগী মচাশুপাগী কালেন তৃতীয়া মুখিংত লুহোংগদৌরিবা অশিদা লুহোংবমদা চংতুনা মথুং মথুংতা পাময়রিবা নোংমৈংংনা কাপতুনা বর-কন্যা অনি পুক্রপনা নৈরিঙৈদা হাংলসি হায়না লেপলম্লে। বর-কন্যা অনিদু হাংলগা চেক্লকপদা তাম্ররকপা অমত্তং মোং-মৈনা কাপথায়বদা ময়াম কায়রুনা চেনজখিগনি অদুগা মখোয়মা অনকপা চৌং অমদা চেনশিন্নরুনা কাবা ঙমদনবা হোংলসি হায়নড় লেপলম্লে।

এস, পী, সাহেব - খুঙাইদা, ডাক্তর বাবুগী য়া অসিদে। কয়াদা থৌনা ক'ত্তবা ডাক্তুশিংনে। কয়াদা পংলবনো। কদ্রে, ফাললবগী মরমদা ডাক্তর বাবুগা তানম্বা য়াদ্রে। (কমলদা ওনশিন্দুনা) তাদ কমল! নচাম্মুপী নৈশাবী অসিবু ডাক্তুশিংনা হাংকে তৌরিবসি কায় মরমগীনো?

কমল হুজুর! অতৈ অমগী নত্তে, হুজুর সাহেব! ননাইগী ইচাগুপী নৈশাবী অমহং নৈতৈ মখিংনা খম্বালঙাংবী কৌতৈ। ননাইনা পোকচবা ইচা হায়বনু ননাই খুপীমচা অসিনা লোইরে। মশক কঞ্জবদা মণিপুরগী মপুংদা মাগী লাম্বা নৈতে হায়না খুাইনা খুংশিবিদুনা হায়বিরে। ননাইদি থৌওইনগু তাজরুদে। কোইরকপা পাথংনা ফক-ফদা থাং ঙমখিদরে। পাখং অয়াম্বা কায়দে হায়রুনা: শ্যাম, কয়া অমনা লংথৈদ শেন তালমুখিগে হায়রুনা চংলম্লে, কয়া অমনা অসিগুম্বা নৈশাবী তাং অসিদি

সুংশি লৈকোন্দা শাৎপা লৈরাংনি কাম্নবা পোৎ নত্তে হায়দুনা বম্রক্লে। অস্রুম ত্তৌনা ননাইগী সুপীমচা অসিবু লৌগদবগী হোৎ-নব্বিবা পাখংগী মশিং থীবা লাকপা ওমখিত্রে। মসিদা হন্ত্রিবা হায়বদু ননাইবু হ পীজদুনা লমহাংদা হাৎলমখিবা ইবোত্তোম্বীদা মত্তাইরে। ননাই ঐখোয়গী মোইরাংদা লৈবা নিত্তোম্বম ত্তোমাল ইনাকখুনবগী মচাসি। মহাক্না ননাই সুপীমচা অসিবু কোয়রক-পসি মতম ফনা কুইখরে। ননাইগী সুপীমচা অসিনা য়াবা কৌবত্তা লৈতে। অত্তুদগী মপা মমা থারকত্তুনা হায়হল্লরে— লৌপরি তল্লা কৎচগে, লুপা জিশিং কুন কৎচগে হ'য়বা য়াতৈ য়াতানা লৈশি লৈখোম্নদুনা মপা মমানা কয়ারক বম বম হায়জ-ররে। ইচানা পামদে থংবদগী থাজাখরোই, ইচাদি মত্তোমত্তা পোকপনি, মতম থর লৈত্তখিমত্তু হায়না থৈদোকত্তুনা লৈরম্বদগী নমত্তুনা ফরগা লৌরগে হায়না ননাই ইবোত্তোম্বী হায়বা পুাখং অসি খল্লমাল্লে।

এস, পী, সাহেব— ত্তাদ কমল! খংলে। নচাসুপী লৈশাবী খম্বালওাংবী অসি লৌগে য়াদবদগী নংবু ইবোত্তোম্বীনা হাৎপনিদনা। মথা হায়থরকউ।

কমল— ইবোত্তোম্বী হায়রিবা পাখং অসিনা সুপী মচা অসিবু ফাগদবগী ত্তৌবসি অত্তকপনি। নোংমা ননাই ঐখোয়গী লমগী লাই থাজা মহাদেব হায়রিবা থাঙ্গা চীংদা ওালিবা ইথুংত্তো অসি থুরুম্বা মমাম্নবী লৈশাবী শংগা লে'ইনদুনা চৎচবদা ইবোত্তোম্বী হায়রিবা পাখং অসিন গুপ্ত থর নেকত্তুনা চীংথল্লা ফাগদোবগী

হায়রমা থৌরাং তৌদুনা লৈরমলে। ননাইন্তু ইচাগী মতুং ইন্দুনা চৎখৈ। ননাই ঐথোয়গী মোইরাংগী সেবা সমিতিগী ভলন্টিয়ার-শিংনা ত'ক-শেন্দুনা ননাইগী সুপীমচা অসি মমাময়বী লৈশাবীশিংগা পাথং ময়ামগা লাই থুরুম্বা চৎচবনি। ভলন্টিয়ারশিংনা চৌংথক চৌংথা অসি লোইনা থাক্রবনি। মোইরাংগী সেবা সমিতিগী মখোয় হায়বদু লৈশাবী ময়াম ভাক শেমবগী থবক্নি। মসিগীদমক সেবা সমিতি অসি লিংখৎখিবনি। মমাময়বী লৈশাবী পাখং ময়ামগা অতুম অতুম চৌং কাখৎলকপদা ননাইগী সুপীমচা অসিনা মথক্তা ময়ামদগী হেনগৎখিদুনা চৎপা মতম অতুদা অতোপ্পা মীহাৎপা গুণ্ডাশিং মকোক চ'গ্রেংমচা হায়রিবা পাখং অসিগা ইবোতোম্বী হায়রিবা ননাইবু হু পীজদুনা কাৎলমলিবা পাখং অসিগনা ননাইগী সুপীমচা অসিবু ময়ামা কিকুল নমজগা মথুং পুন্দুনা ফীরুপ থুমজিনবিরগা চিংদুনা ইবোতোম্বীগী মমুখদা পুগদবগী থৌরাং তৌ-রকপদা সুপীমচা অসিনা 'হা ইমা হা ইমা' হায়না লাওরকপ-দগী কায়দুনা চেনথরে। ননাইদি খর তুং ওইনা লৈহৌবনা থেংনজহৌদ্রে। ননাইনা সুপীমচা অসিগী মনাক য়ৌবা মতমদদি চৌংথক অতুদা ইশাং শাংনা বাম্বদুনা মমাঙ্গ লাইকমদুনা লৈরমলে। ননাইগী সুপীমচাগী মরাদগী কায়রিবা পাখং অনিসিনা তৌরমলিবা থবক অদু থংলকপনি। ময়াম চংদুনা ঈশিং চাইদুনা য়াম্না বানা তংজরক্লবা সুপীমচানি। মক কুমা ভান তারক্লবা মতমদা মরোল পুম্মক অসি থংলকপনি। ভলন্টিয়ারশিংনা তাম্নদুনা ননাই পাখং অনি অসি মরুনা অইতদা ফুবমথৈ ফুরগা থুই ময়াম্মা হায়জবদগী

থুরুমখল্লগা থাদোকপিখিবনি। অদুগা পাখং অনি অসিদি ওসি কাওবা থিবা কংদতুনা লৈরিবনি। ঐখোয়গী ডাক্তর বাবুনা শিলংগী লোকঙ্গদা থেংনরুবা ড কু অনি অদু লায়রিবা পাখং অনি অসিনি।

এস. পি. সাহেব— থংলে, থংলে তাদ কমল! ঐহাক তাব লোইনা তারে। মচা পুপা নিলাখৈ লোগে মাদবগী নচাপুপী লৈশাবীবু হংজকে অদুগা মক্তা হাংজে হয়না তৌরিদনা। অদুগা নংবুনা ঈবোতোপ্পীনা এচাপুপী পায়ু কাপ্পকখদা মাদবগী ছ পাঞ্জতুনা কাংথোক্লদা। থংলে, থংলে, ঐ থংলে, কামদে (ডক্তর লোমাপাক্ত ওৎলাক্লুনা) ডাক্তর বাবু! লোই-রাংগী সেবা সমিতিগী মী ময়াম অমা লৈরাম্বাই মক্ত অমিদা লাকতুন তাদ কমল, লৈক্লে। ডাক্তুনা ছ পাঞ্জতুনা ক হৌগা লোল মুনখিরে, অশংবা লাম্ভ থিবা মংদে লায়বক্তিংবা, পুলিশ স্টেশনদা লৈরিবা কান্নারিংবা থোং থেংনা লোংখ্রে, থংলে তাদ কমলগী ইমুং মখুং য়াম্না কপ্নরমলগনি। পাখর চান্দনা লৈথে তাদ কমলগী থুংকম ওইরিবা লোংথাক্লক্তবা তেংনা লোইহান্দা তাদ কমলবু চাৎথিবগী মখোল অমা টেলিগ্রাম তাবদা সেবা সমিতিগী মীশিং-না মক্তম আসদা লাক্লুময়ন। অদুন কৌশিক্ত মখোংবু ফানবা মতৌ করম্না ফৌসিংনে, ডাক্তর বাবু! তাদ কমল শিরে হয়দুনা লোইবাংদা নিজৌরবা তাদ কমলখোইগী হমুনা লোরাংকগা শোল্লুনা কপলবনা লোইরক্লগদবনি। অদুনা মহাকপু থুনমক

মাগী ইমুংমনুংদা শিদে হায়বসি থংহজবদি ঐহাক্কি নৈবা ভন-লোইদৌরে।

ডাক্তর বাবু — হুজুরনা অরোনবা কিজেৎ খোনবীরো। অতৈ অতৈ পুলিশশিংসু অরোনবা কিজেৎ শেংনবিরো। মোই-রাংদা তদ কমলগী মচাসুপী থম্বালচা বোগী লুহোংবা গুম্বিৎ অসিদা হুজুরনা হক্কা লেংবিরগা নংঙুনা কাবিয়ু। খুৎলাই পায়বা মখোইশা খেংনবা অরাম্বব নত্তে। মাসমতংগা চেকশিনবিয়ু।

এস, পী, সাহেব — য়াম্না ময়াইকিরে। ডাক্তর বাবুসু তাদ কমলসু কা অমদা মী উবন্দনা বগা চংদনা তুশিনা লৈরিয়ু। চান থক্কবা ঐহ কা থোৎরাং তোকগে। ঐখোয়সু শক খংহন্দনবা হোৎ-নজগে। ডাক্তর বাবুসু লেংসি। তাদ কমলসু ডাক্তর বাবুসু শকখংহনবা হোৎনসি। হৌজিক লাকহবা কিডম অসিদা ডাক্তর বাবুসু তাদ কমলসু লেংবিগদবনি। ঐখোয়গী পুলিসকী হরাদা চৎলবদি মখোয়না হেক্কা খংবিবনি। অতুনা লম্বাই হায়বা অমা ঐ বায়রগে। মাসদা তেং ময়ুতুনা চৎল্রগা লুকোংকমদা নমচুনা কায়গা লোইরে! ডাক্তর বাবুনা তাদ কমলগনা মীহাৎপা অনি অচু কুপনা থিবিগদবনি। তাদ কমলনা মশক হেক তাকপদা নমচুনা কাগদবনি। ঐখোয়সু মখোয়গা খেংনবা ভমনবা নোংমৈ অমমম পায়চুনা চৎকদৌরিবনি। নোংমৈগা কোম্না কায়গা হাড কোড়না মথুং অতুদা চনখিবদ মখোয়গী মথৌনা অচু তেং-কদবনি। অতুনা কালেন তৃতীয়া নংনবা হয়েংদগী খোং শাল্লসি। তাদ কমলসু মচাগী লুকোংবা য়াওকমসু। ইমুং

মনুংস্থ শিগ্রবা মপানা লুহোংফমদা চোংথোক্লকপা উজবচুডুম লিলা য়েংববুদি হেন্না পুংঙাইরগদবা পোৎনি ।

এস, পী, সাহেবকী মরা ডাবদা ডাক্তর গোলাপ পেনবগী ঙমথৈ লৈখিদ্রে। কমলদি ইঙক ঙকল্রে। কমল অদু মাগী মুপী অমস্তং মচাপুপী থম্বালঙাংবীনা কপলমগদবা অদু থগ্নবদ জ্ঞান তাখিদ্রে; অমরোমদা ডাক্তর গোলাপকী মরোশিংব থাগৎতবা ঙমলমদে। মথোয় অনি তুমিন্না কা অদুগী মনুংদা লৈরম্মী।

অঙকপা লুহোংবা

ঙসিদি কালেন তৃত্তীয়া পুথিৎনি। যোইরাং লৈবাক্কী মী পুম্নমক থম্বালঙাংবীগী লুহোংবা য়েংগদবগী অমুক য়েন্না অঙনবদা হোৌগৎতুনা পাখং মথৈনা মশা মন্ত ননথোকতুনা অকে শেম্নরি। শক ফজবা তান্নবা, লন লৈবা তান্নবা পুথিৎনি হায়রুনা কনানা কার তোংদুনা চৎকদবগী, কনানা শগোল তোংবনা থ্বাইদগী লেম্বানি থনদুনা শগোল তোংদুনা চৎকদবগী, কনা অমনা থোংনা চৎপনা থ্বাইদগী লেমজবা মচৎনি হায়রুনা. কনানা রিকসাদা, কনানা ফজথরবা সাইকলনা চৎকদবগী শেংদোক থোৎতোকপা লাক্লরি। লৈশাবী মথৈস্থ মাগী মাগী মথংগেন পাথং মমাব উনবদা লৈরাং লৈক কয় ঙাশন্নুনব অয়ুক ঙয়া ঙয় হোৌনদুনা মমুম মমুমগী থবক ইনথাং অমত্তা শুরমদনা মথোয় মশেন হোন হোৌনদুনা টোটিদ মথৈ মথৈ সানন লকপ অমবম পায়রমুনা

নম্বরি, তক্লরি। ময়ুম ময়ুম য়ৌখিবদা যপা মমানা ইমুংগী থবাক্ত জৌরমদনা নোং হেক ঙানবদগী ইরাং জৌরদনা হায়রুনা ঙাংবা শারি, মনাদা হাপনদে। মণিপুরদা নত্তনা ভারত শিনবা থুংনা কাওরণা বর-কন্যা অনিগী লুহোংবগী কুটুম্ব য়েংকো-গদবগী অমদি মথংলেন পাখংশিংগী মমাংদা কেজ হৌদবা য়াদে, ঙসিগীসি তাঙা অমনি হায়রুনা শকয়েং মিংশেল অচোবা যাং-তুং থায়রুনা মিরোক শেমলদুনা, মিথং য়েংলদুনা মহৈ মহৈ শেম শানরি

পাবিরিবা ইবুংঙো ঈশ্বরশিং! থয়োশংবীদ মঙাং অসি-বাইদা করি জৌকম থোকই অদুগা খম্বালঙাংবীগী মথুং শরুবা নিলকাস্তুনা করম জৌরিবা ধংাবতা য়াই।

খম্বালঙাংবী লুহোংবগী থবক অসিগীদমক থয়োশংবীদি চাবা থকপা, তুম্বা হিমা চংখিরে। মশা অমুক হাৎপী, ফজদে হায়রুনা অমুক হাৎলি, মিনোক অমুক য়েংথোকই, হাৎলি হায়রুনা অমুক নোকহল্লি, থোংথাং অমুক য়েংই, শোহয়ে হায়রুনা অমুক থাংকল্লি। লুহোংবগী থেংথংবু অদুগনে হায়রুনা চৈরি, খুবাক্কা মনজন্দা বাপ বাপ থারি: লোইরে, খম্বালঙাংবীথোইগী ইমুং অদু লোইরে! চন্দন ফজনা থিনখিরগা সিন্দুর অমুক নথবি, শোয়রে হায়রুন অমুক মুংথংলি। লিক-কোন মথল মথলগী মঙকশদা কয়া কয়া শিবিরি। ফজরোইদবদি অমত্তা য়াওদে। নাদরু মথল মথলগী সনাগী নৈ চিলি। পাক্তবদি অমত্তা য়াওদে। সনাগী থড়ীনা খুজেংদা শিবিরগা সনা খুদোপনা যুবী খুদোপনা খুনিংথৌদা শিবিবদা পজদবা জাৎ, জাৎ থল্লগা শিবিরি কজদবা কৌবতা নৈদে। কালিদাসকী শকুন্তলাদি নৈথোর

তৈরবস্থ অদুম কৌৈ হায়বদুনি। পুম্নমক অসি লোইরগা থর লাপতক্লা চথোক্লগা অমুক য়েংই। এস, ঠিক হৈ হায়দুনা মখুৎ অমুক চিকই। কা অদুদা মী অমত্তা চংবদে। পোলোইশুবী অমসুং থম্বালঙাংবীগী মবাদি ইঙক হেক ভক্লা লিলা য়েংবগুম য়েংলি।

মাগী মতৌ অদুদা তুমিন্না লৈবা য়ারক্তদুনা থম্বালঙাংবীগী মমানা "তোকলোনে, থরোশংবী, ওকলেনে, তোকলোনে" হায়না হন্না হন্না লাওরকই। থরোশংবীনা 'ইমা! তুমিন লৈয় চবেং চবেং ঙাংজগু, ইমাখোইনা হৌজিক কালগী পাখং লৈশাবীগী ঙরাং খংবা পোৎ নত্তে" হায়দুনা শাওনা থুমলকপদা থম্বালঙাংবীগী মমাদো নংনা থোকপা তৌহৌরো হায়দুনা থোং গে হাংদোকতুনা মপাল থোকত্রে।

থম্বালঙাংবীগী মমাদো শুমাংলোমদা অমুক নিলকান্তনা তৌরিবা অদু উক্লয়ে। নিলকান্তনা লাংলিবা অদুস্থ থরোশংবীনা হেনবা লাকপা পোৎ নত্তে। কনাগী মাতুব খনবা, শুমাং কাপ্পোকপা, রাইতৈ-লমতৈগী থবক, বাত্তন তৌবা কনা কনা চিথ-নানথবা থিগৎ-থিজিন তৌরিবা, অঙকপনি! মবানিগী কুটৈম্ম অঙকপনি; থরোশংবীনা মমিৎ খৎল খৎলদুনা মরক মরক্তা নিলকান্তগা খৎন খৎলকই। অমনা থম্বালঙাংবীগী মথক্তাই ওইরিবী থরোশংবীনি, অমনা মবুং শক্লবা নিলকান্তনি। মবানি হেনবা পোৎ নত্তে। থরোশংবীনা ইমুংদগী থোরক্লুনা নিলকান্তনা কালেনগী সুংশা শাক্লবা কান্দুদা মাফ ক্ষেত্তোম তাখৎতুনা শুমাং

বাই তৈরিংঙদা তাযো বাইতৈ ফজদে হায়রগুনা হেক ঙাংলুবদা নিলকান্তনা ইথৌ ইথৌ ত্তৌনসি, চবেং চবেং ঙাংগন্তু থরোশংবী তানিংদে হায়রগুনা হেক খুমলকই। মহুগী খাবদোক্লবদা খম্বালঙাংবীগী মমাদো খুদৈ অচৌব অমা পাযরগুনা হুমাই হুবগুনা খাংলি। মোইরাংগী সেবা সমিতিগী ভলুন্টিয়ারশিংনন্তু মুংশানগা শাবনে নবানিনা খৎনখল্লকপনে তানিংখিরেদকো হায়রগুনা থবক ঙরম্বগী হৌগৎ হৌগৎতুনা হেক হেক লাওরকই। খম্বালঙাংবীগী মমাগা পোকমিন্নবা মায় অঙ থবক নোঙ্মা নোঙ্মা মম্বাগী চা লানশিনবা, চুরুট বিড়ী লানশিনবা ঙাইহাক্তা লেপ্তে। অঙ্গম ত্তৌন ত্তৌন লুহোংবগী লাংলিবা অহু লোইশিলক্লে।

নিলকান্তদি মাগী হাম্রগী থুংফম মখোয়গী লৈকাইদগী মোইরাং বাজারদা চুকান ফম্লিবা অদুদা থুংফম ওইখিরে। ভলুন্টিয়ারশিংগী লিঙরনা য়াম্না লুনা ত্তৌদুনা মাগীদা থুংফম ওইদুনা হৌৎহন্দা চখোক-চশিন ত্তৌদুনা লুহোংবগী থবক নোম্লিবনি। মাগী থুংফম অদুদা হেক য়োবগা ভলুনটিয়ারশিংগী লিডর অদুনা ইরু-যাযথক ত্তৌকরে। চন্দন-চাবা ফজনা থিনগদবনি, নচলগী মায় চোপহনবা য়াদে হায়রগুনা চন্দন-চাবা ফজনা থিনগৎলে! ভলুন্টিয়ারশিংগী লিডরনা ইনশাং মথেল মথেলগা লোইননা মাঙোলদা বাই পাকনা তৈদুনা খোংগ্রাই চল্লগুনা নিলকান্ত অদো চাক চারে। স্তক্রখানগী ফুরিৎ পুময়াৎ স্তক্রখানগী ফৈজোম অসিনচিংবা পুখোক্লক্লে। ইমবা ফী, থাউ মনম মুংশিবা, প'ওঙরনচিংবা হেক লৈরিবগৈ মাংদা থম্লরে। শকমেং মিংশেল অচৌবা মাংদা থম্লরে। হেক ঙরমগৈ কেনা

শেৎ-চাম্নগা নিলকান্ত অহু লিন্তরগা লোইননা লুহোংকনদা লাক্লে। থরোশিংবীসু খম্বালঙাংবীথোইদা চাগদবা চা; থকদবা থক, চন্দন-চাবা থিনজিন্দুনা, সিন্দুরগগা নমহুনা লিককোন শিঞ্জিন্নে, নাদা য়ানগদবা সনাগী লৈ য়ানশিন্নে, ফিরোল কজ ফজবা শেৎলহুনা খম্বালঙাংবীবু শেম্নহুনা লৈখ্রে। পোৎলোইশুবীনা খম্বালঙাংবীবু পোৎলোই শেৎপিরে। য়েংবদা পেনবা লৈখিদ্রে।

লুহোংবগী ইশৈ হৌগৎলক্লে। ব্রাহ্মণ, নিংথেম্মচা, অহল লম্মন, পাথং লৈশাবী, অচৌ-অশাং পুম্নমক চৌকি কম্বনা চৌকিদা ফকত্তা কম্বনা ফকত্তা, অঙাং মনাম্না তুংদা মী লিশিংলথা পৈথরে। ভক্লুন্তিয়ার শংনা কবিগুম্বা ফত্তবা পোরক্লগা লুহোংবা কায়বস্থ য়াই খন্দুনা হজৎচন্দা চৎতুনা ডাকল। নিলকান্তনা তিরুমলিবা মীয়াম অহুদা মথুৎ শেম্নহুনা নকাই ঐহাক্কী ইচন খম্বালঙাংবীগী লুহোংবাসিদা সেবা ফজদে কায়হনা রাশৌবিগনু, লৈজদহুনা তৌবনি, ননাইগী ইচম অসিবু আশীর্ব্বাদ পীবিয়ু কায়হনা কোয়চৎ কোয়চৎ চৎতুনা দঙংৎ তৌর তৌরহুনা খুরুম্নি।

চগ্রিংমচা অমস্তং ইবোংতোম্বীনা অয়োনবা কিম্তেৎ শেৎ-চিন্দুনা, মকোক্তা কোইয়েৎ চাঙনা খেৎশিন্দুনা, মকোই মরাং জুম জুম লাওনা থাবচিন্নগা ফিজাও অমমম ইন্নগা ফীগুংবা নোংমৈ অমমম পাম্নহুনা লুহোংফমগী থলং ইথং থংবা মচি অমদা তুমিন্না ফমহুনা বর-কন্যা অনিনা পুষ্পা লৈবা মতমদা নোংমৈনা কাপতুনা হাংৎকদবগী শেম-শাহুনা লৌর।

মরুগী পার্টি পুংলমে। ডিউটি ওকপা থোকলকুনা ডিউটি ওক্লগা তপ্ন তপ্ন বর চংশিল্লক্লে। মীয়াম পুম্নমক মরূ মিৎ-কুপ্তবমখৈ য়েংলরক্লে। ফজখরেদা অসুক কজবা পাখংসিদি পোকপদগী উঠিন্না হায়না মহৈ মহৈ তাংনরকই। গোপীকান্তগী ফজবস্তু পুক্সিগী অয়োকৈবী ওইনা থাবরা সুমিৎনি।

তানজা অসিদা মশক খংদবা মম্বাং ওইনা তৌবা মীওই কুম মুক হাবা অচৌবা অমদা তোংতুনা লাক্লগা লুহোংকগী মনাক অদু বাইদা থাতুনা লুহোংবা য়েংলম্মী। পাবিরিবা ইবুংঙো ইবেম্মাশিং! মখোয় অসে অতৈ লগ্তে, ডাক্তর গোপালা থম্বালতাংবীগী মপা কমল অমস্তুং কাছাড়গী পুলিশ ষ্টেশনগী এস, পী, সাহেবনা মুচিংবা পুলিশ মরুমনি। কমলস্তু ডাক্তর গোপালস্তু হায়রগী অয়োনবা ফিজোল অদু হোংদে কহল্লগা মম্বাঙ্গ খবৈবা অয়োনবা ফিজেৎ অমমম শেৎচিনবিব্রবন্দ লুহোংফমদা চংবা সুণ্ডাইরোই খনবমগী অতোয়া মশক খংবা ওয়মদনবা ফীজেৎ অমমম শেৎহল্লে। কোইমেৎ চাওনা চাওনা পজাবী কোইমেৎকী মওং মাম য়েং-শিনশিরে। অশাবা কোই জুম জুম লাওনা খাপচিনবিরে। য়েংবদা পজাবী মাসে। ডাক্তর গোপালক কমলগনা চাগ্রংমচা অমস্তুং ইবোচেমচা লুহোংবা য়েংশিল্লরদুনা কোইথি থিরি। লুহোংবগী মতম ওইশিল্লকলদুনা লুহোংফমদা থারিবা লুহোংফাল অদুদা যম্মনবা বর পেন্নবা শীনা গোপীকান্ত অদু পুখোয়ক্লুনা লুহোংকান্দা ফমহল্লে। নিলকান্তনা ডিরিব তাংগোক মদামদা ননাইগী ইচন থম্বালতাংবীবু বর পীবিয়ু মঙ্গল পীবিয়ু হায়রদুনা মখুৎ লোয় লোয়দুনা দণ্ডবৎ তৌর তৌরদুনা খুরুম্মি।

গোপীকান্তনা নিলকান্তগী মচৌ অদু উবদা নোকনিংবনা লোইরে। খম্বালঙাংবীবু গোপীকান্তগী মপী ওইননবা হোৎ-হোই হোৎনরগা হৌজিক্না অমুক মযুংনিগা হায়রতুনা তৌরিবা মতা অদু খল্লুবদগী গোপীকান্ত অদে। নযু ক্তা য়াম্না নোক্লম্মী। চপ্রোংমচা অমস্তং ইবোতোম্বীনা মরদি লুহোংকান্দা কমক্লে, কস্তাদি খোয়কতরি হায়না ওংনম্মি। মম অদিগী মশক মকজাশিদি কম্বাগা কনানা কেনগদগে, য়েংহৌদবা য়াম্বা পোৎ নত্তে, ওসিগী লুহোংব-সিদি হায়রহ্‌না মখোয় অনি লুহোংবা য়েংলিবনি হায়তুনা য়েংলি।

কমলনা লেংম্না এস,পী, স'হেবতা মাবু হাৎলমলগা শেল মুনদি খিবা মীহাৎপা অনি অদু অসিদা লৈরে হ মন; জাকলম্মী। এস,পী, সাহেবনা পুলিশ মরাংদা মখোয় অনি অসি কাণ্ড হায়তুনা লোম্না হায়রম্মী। পুলিশ ময়াম্না নোংমৈগা নোংমৈগা চংলকতুনা ইবোতোম্বী অমস্তং চপ্রোংমচাবু নোংমৈগা কোয়না ফারম্মী, মখোয় অনিনা পায়-রিবা নোংমৈ অনিদু মুক্তগা মথুৎ মথুত্তা হাতকোড়া চল্লম্মী। মখোয় মখোয়মনা ইল্লিবা ফিজাওদু লৌথোকপিরে, অশাবা মকোই মরাং অদু লৌথোকপিরে অচুগা য়াম্না কম্না কম্না ফুরম্মী। জাবোক ময়াম অদুনা 'হা করি তৌরবগে, হা করি তৌরবগে' হায়তুনা কোইরাও লাওরম্মী। মোইরাংগী সেবা সমিতিগী ভলুন্টিয়ারশিংস্ত পরপ-পরপ চেনশিনরক্লে ভলুন্টিয়ারশিংনা লুহোংবা য়ে বা লাকপা পাথং অনিবু অদুক থীনা হাতকোড়া চল্লগা ফুর্শিল্লবা অসিবু করি মরমগীনো হায়তুনা হংলম্মী।তাঙ্গা অসিদা কম্মা শেম্রবা মীনা মথুৎ পায়রতুনা

থম্বালঙাংবীসু মতা থরোশংবীনা তুং থর ওইরগনা তগ্নন তপ্নুন খোরক্লি।

কমলনা অমত্তা পোকচবী সুমিৎ থাঙুম্না থমজারিবী থম্বাল-ঙাংবীনা লুহোংবগী পোৎলোই শেৎলদুনা খোক্লকপা উৎ-মক্তদা ফন চোংশিঙ্কক্তুনা ইপাগী ইবেম্মা ইপা লাক্লে হায়দুনা কেন্দুনা নোং খোংবক্তুম কপক্লে। থম্বালঙাংবীনা পাজী, পাজী, পাজী শিখরে হায়দুনা নমোমদি শিবা ঙাইদুনা লৈজরমলিবনি হায়দুনা মপাবু চেৎনা কোন্দুনা কপখরে। থরো-শংবীনা ঐখোয়গী পাজী লৈরমলে, ঐখোয়গী পাজী লৈরমলে হায়দুনা কপ্পন কপনা কমলগী মখোং পায়দুনা থুরুমলম্মী। থম্বাল-ঙাংবীগী মমানা ঐবু মংলনে তৌরিবসবে হায়দুনা কমলগী মখোং পায়দুনা কপনা কপনা থুরুমলম্মী। নিলকান্তনা পাজী পাজী, হায়দুনা কপনা কপনা কমলবু থুরুমলম্মী মাগী মপু অজা গোকুলচান্দনা ফুক থৌগৎলগা শিখ। অচৌবদি ফৎ ফৎ হাইরদুনা লাওরকই,— "লুহোংবা কায়দনবা শিনবিয়ু, লুহোংবা কায়দনবা শিনবিয়ু। ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল লম্মন ইমা ইবেনশিং অমত্তা লেংবিখিবা য়াদে।"

এস, পী, সাহেব অমসুং ডাক্তর গোলাপনা মাং থারদুনা পুলিস ময়াম্না তুং থংলদুনা হাতকোড় চনদুনা থমলিবা ইবো-তোম্বী অমসুং চক্রিংমচাবু মীয়ামগী মমাংদা লেপহল্লগা এস,পী. সাহেবনা লাওরকই, —'তাবীয়ু প্রজা পুম্বক, ননাই ঐহাক

কাছাড়গী পুলিস ষ্টেশনগী এস, পী, অমনি। মসাই লুহোংবা য়েংজবা লাকচবা পাখং অনিবু অম্তক খীনা করিগী যুবিন্নিবনো হায়দুনা ডলুক্টিয়ারশিংনা হাম্না হায়রৌবিথি। পাখং অনি অসি লুহোংবা য়েংবা লাকপা নত্তে মখোয় অসি মোইরাংগী পাখং ঙাক্তনি। মোইরাংগী সেবা সমিতিগী ডলুন্টিয়ারশিংনা থিবা কাংলিবা ইবোতোম্বী অমসুং চঙ্গ্রেংমচা কায়না পাখং অনিদুনি। ইবোতোম্বী চংখ্রিব পাখং অসিনা মাগী মপা ওইজগে হোৎনজখনা কংব্রদুনা ঙসিগী লুহোংবা থুগাইদনা অসিদা বর কন্যা অনিবু নোংমৈনা কাপতুনা কাংলগী মাগী মরূপ চঙ্গ্রেংমচা হায়রিবা ফমিপা বর কন্যা পুলপ লৈবা মতম য়েংদুনা লৈরম্লিবনি। থানান মরাল লৈহবা মীবু পংফু ফুবা হায়বা নত্তেদ। ডলুন্টিয়ারশিং অমুক্তা য়েংবিয়ু মখোয় অসি কনা কনানো? ডলুন্টিয়ারশিংনা লাওরকই — "মানি, মানি, অমনা ইবোতোম্বীনি অমনা চঙ্গ্রেংমচানি। ঙাবোক মমাম্মত "মানি, মানি কায়না লাওরক্লী।

এস, পী, সাহেব-মমাম পুম্নমক ডাব ডাবিবেমনা। ঐগী নাক্তা লৈরিবা ভদ্রলোক অসি কছারগী ডাক্তর গোলাপ হায়-রিবা পুকচেল চাওথ্রবা ভদ্রলোক অমনি। মহাক্কী মপামা ডাকু অনি অসি ঙসি ঐখোয়না মফম অসিদা ফাররিবা অসিনি।"

ডলুন্টিয়ার মমাম্না লাওনরকই — ডাক্তর "বাবুগী মফমদগী ডাকু অনি অসিনা তৌরম্বা থবক মথৈ অমত্তা চিথদনা হায়-বিরকপা পামদৈ অদুগা মখোয় অনি অসিনা মফম কদাইরাইদা থোংনবিরকখগে?"

তাক্কর গোলাপনা হায়রকই,—'তাবিয়ু ইপা-ইপন, ইমা-ইবেন, ইচিন-ইনাও, ইচন-ইচে পুম্নমক ! ইবোতোম্বী অমসুং চন্দ্রিংমচা হায়রিবা মীহাৎপা অনি অসিনা তাদ কমলগী মচানুপী থম্বালঙাংবী হায়রিবা ঙসি লুপোংলিবা লৈশাবী অসিবু থাঙ্গা মহাদেব খুরুম্বা চৎপদা ফাগে হোৎনবদগী মোইরাংগী সেবা সমিতিগী ভলুন্টিয়ারশিংনা মখোয়বু ফাগে হোৎনবদগী চেনখত্নুনা লোৎখিবনা মতম কুইনা লুট তৌদুনা ড রতকী মফম কয়াদা লৈরক্কবনি। নোংমা তাদ কমলনা কাম্বা ললোংলমুবদগী ময়ুমদা মাগী থুংফম কাছাড়গী পাথরকান্দিদা লৈবা খোংবাম্ভ বম তোম্বা খোইদা লমহাং শমদুনা লাকপদা লমন খুমগে নিংদুনা লুমদুনা লৈরিগা ইবোতোম্বী অমসুং চন্দ্রিংমচানা থেংনদুনা কাম্বা লৈশিন্নরগা ইবোতোম্বী হায়রিবা পাখং অসিনা হু হৈত্তবা তগ অমা তাদ কমলদা পীজরমলগা লল্লোনবদা ফংজবা শেগ মথৈ পুদুনা চেনখ্রে। ঐহাক্না লমহাং অদু শমদুনা পাথরকান্দিদা লৈবা ঐগী যুম তায়া লাকপদা থেংনদুনা শিগদবা মতম খজিক্কং ঙাইরবা তাদ কমল অসি হিংহল্লক্রবনি। অদুদগী ঐহাক্না কাম্বা মরাম অদু লমহাং অদুদা হুন্দোকহল্লমলগা মহাকপু মী শমত্তা থংহনজনা ঐগী যুমদা থা থাগী লুপা চামরি চামরি পীদুনা ইমুং মনুংগী থবক তৌহন্দুনা মপাল থোকহন্দনা থম্বিবদগী মথরাই হিংজরক্লবনি। লুটরগা শিংদি মখোয়না হাৎখিবা মী অদু শিরবরা শিনবরা খঙংলকপা হায়বসি মখোয়গী মথৌ অমনি। তাদ কমলনা মাগী হায়মগী থুংফম খোংবাম্ভাবম তোম্বাখোইদা লৈরমলবদি লুটরবা মাপিং, অমসনা থিরকপদা থেংনরবদি

শোয়দনা নোংমদি হাৎপ্রগদবনি। মরমদি লুটহালাশিং অসিবু দি তাদ কমলনা অহানবদা মখোয়না ইবোতোম্বী অমস্তুং চপ্রিংমচাসি হায়বসি থংদনবা হোৎনরবস্থু জ্ঞান তারক্লবা মতমদাদি মশক থংগদৌবনিনা নোংমদি মখোয়বু শোয়দনা তাদ কমলনা হাৎলবা তাদ্রে হায়বা বাথন্দগীনি।

ডাক্তর গোলাপকী মর্বা অদু ঙসাইমখৈ থম্বালঙাংবী অদু অস্তম অস্তম মুম্না তারম্বদগী মপাবু শিরুরবদগী কনাবিরকপা বাড়ু তাবদা পেনথরহনা চেনশিল্লকতুবা ডাক্তর গোলাপকী মখোংদা থুরুমহনা কপনা কপনা হায়জরকই, "ইপা ইবুংঙো ডাক্তর বাবু! থম্বালঙাংবীবু নমোঙ্গি কায়না থনবিয়ু। ইপা ইবুংঙোদি ঙাইহাক লৈরগা কাছারদা হনপ্রগদবনি। ইপা ইবুংঙোগী কোটো পীবিরমম্ নমোমদা। শুমিৎ থুদিংগী ধুপ থাওমৈ থাহনা ইপা ইবুংঙোগী কোটো অসি নচানা লাৎচগে। তোপ্লবীগী ইপা কমলবু মথবাই কনবিরকপা হে পূকচেল চাওথরবা স্বার্থত্যাগগী শিনহিদাক" অসি হায়হনা অমুকা হিক্ক হিক্ক কপথরে।

এস. পী, সাহেবনা 'ডাকু অনি পুংঙাইরবসে, তৌরিবসে; নত্রদো, ডাক্তর বাবুনা হায়রিবসে, নখোয়গী লুটকা চৎনবী নত্রদো'. হায়হনা চপ্রিংমচা অমস্তুং ইবোতোম্বীদা হায়রকপথক্তদা মখোয় অনি মমায় ঙাংশং ঙাংনা বা অমত্তা ঙাংদনা মরু থুক-থহনা লৈরম্মী।

ডাক্তর গোলাপনা থম্বালঙাংবীবু হৌগৎলো, কপকনু. ইপা বা হায়রগে হায়দুনা মথা হায়থরকলে,— "ইপাদি নহাক্কী পাজী কমলবু হাংৎলমলিবা ডাকু অনি অসি থিবদা শা-কৈ, ডাকু ডাকাতি, হুরান-চিম্বী কিদনা, নোংজু-মুংশা খৌওইদনা চীং-মান কয়া কয়া চংলুরে, তুরেল কয় কয় লাল্লক্লে, লৌবুক-লমহাং কয়া কয়া শমলক্লে। মথৈদা শিলং সহরগী লোকসুং অমদা ডাকু অনি অসিনা মুংজ ও অমগী মথক্তা ফমলদুনা মখুৎতা নোংবৈ অমমম পায়রদুন নংগী লুথোংবা মথিৎ অসিদা বর-কন্যা পুম্না লৈরিবৈডদা কাপদুনা পুল্লপান হাৎলসি হায়না ডাংনমু ইপানা লোকসুং অদুগী মনক্তা লৌবা চাওরবা খোংনাংবট পাম্বী অমগী মথক্তা লুমদুনা তরম্মী। অদুনগী ক ছারগী পুলিশ ষ্টেশন তাম্না নংগী পাজীগা এরগা চৎতুনা তকলুবগী ঐখোয় ময়াম কাবা লাক্লিবসিনি। ঐগী ইচা থম্বালঙাংবীশুম ফজবদি মণিপুরদি লায়রদনা ভারতকী মসুংদা লৈবা পোৎ নত্রে. ইপা বরে, ফোটো নমগদবা নমলো। অদুগা ইপানা হায়গদবদি —"নংগী পাজী, নমা অমসুং নংগী দমক্তা বাবিশিবা মোইরাংগী ভলুন্টিয়ারশিং অদুগা অতৈ অকৈশিংগী সেল তৌদুনা মুংঙাইনা পালমু। অমাং অডা লৈজবা এইযু ইচাদি, ঈশ্বরনা বর-কন্যা অনিবু, মঙ্গল পীবিবা ওইমনু। ইপা চৎলগে, ফোটো নমগদবা নমলো। নিলকান্তনা পুনমক ফোটো লৌরম্মী অমসুং ঐহাক অসি থম্বালঙাংবীগী মরু শক্লগনি হায়দুনা ডাক্তর গোলাপডা হায়রম্মী। ভলুন্টিয়ারশিংনসু চুমই, চুমই, হায়না লাওরকই।

গোপীকান্ত অদো করক ইকায় কায়না মমিৎতগী মাপ শিল্লরকই। বর শেন্নবা মীনা কারিনো মসিনা তৌরিবসিবো ঙসাইনা ময়াম কপ্পবদ'দ কপকৌদদুনা হৌজিক্তা প্রেম তৌরক্লি-বসিবো হায়দুনা মমিৎ মথায় তৈথোকপা শারদুনা রুমালনা মপি অদু শর তৈথোকলম্মী।

ঙসাইগী এস, পী, সাহেবতো ডাক্তর গোলাপনা থম্বাল-ঙাংবীবু পংথাদা থাগৎলগা বরবুদি করিমত্তা থাগৎপিদমা লৈবা অদু মুন্না য়েংদুনা লৈরম্মী। মথৈথংদ'দ এস, পী, সাহেবতো গোপীকান্তগী মশক ফজবা অদুবু ডাক্তর গোলাপনা থাগৎলক্তবা অদুদদি য়'রৌরক্লে। ডাক্তরবাবুনা নচাম্মুপী থম্বালঙাংবীবুদি পংথাদা থাগৎলগা মীগী মচা মশক অম্মুক ফজথরবা বর অসি-বুদি করিমত্তা থাগৎতবদু'দ চুমদে ঐনা থাগৎকনি হায়দুনা এস, পী, সাহেবনা গোপীকান্তবু থৌনা থাগৎলক্লে— ঐগী ইচা ওইজ-নিংঙৈদা, হে পাখং! নংগুম্না ফজবদি পৃথিবীগী মপুংদা লৈরমগনি হায়বা ইপাদি থবু থাজদে। তাদ কমল মরাইবক কৈদা। মখোয় অনি অসি'দ ঐদি কুইরে তাব। ভারত অপুম্বদা মশক ফজবা পাখং থানরকপদা মনিপুরগী চাংমৈয়োংগী গোপীকান্ত অদুগা লৈশাবী মশক ফজবা থানরকপদা মনিপুরগী মোইরাংগী থম্বালঙাংবী নত্রনে ভগুনটিঙারশিংদা ঐনা হংজরিবসিনে নত্রনে হায়রকপমক্তদা ভলুন্টিয়ারশিংনা মানি মানি হায়না থুম্নকই।

ঐখোয়গী মোইরাংগী সেবা সমিতিনা মতম কুইনা ইচনশিং লৈশাবীশিং শেমগৎপগী ঙাকশেনবগী থবক তৌজরকপগী মহৈ ওইনা ঙসি ঐখোয়না কজখরবা পাখং লৈশাবী অনি অসিগী লুহোংবা উজগদৌরিবসিনি হায়না সেবা সমিতিগী কাংবুনা হায়রকপমক্তদা এস. পী, সাহেবতো থুবী চিকপ্রে।

এস, পী, সাহেবনা — তাদ কমল নচাগী লুহোংবা য়াওজকৌয়ো হয়েং কোম্না কেশকী মতমদা নংবু কৌয়কখিগনি হায়রকপমক্তদা ডাক্তর গোলাপনা কমলদা ইচা থম্বালঙাংবীগী দাননি হায়দুনা মুপা লিশিং অমা পীরম্লগা চপ্রিংমচা অমম্তং ইবোতোম্বীবু পুলিশ মযাম্না হরদা হাপতুনা পুখ্রে। মীয়াম পুম্নমক ইঙক ঙকনখরে চপ্রিংমচা অমম্তং ইবোতোম্বীগী মপা মপানা প্যাও অদু তাদুনা হরাপাড়ৌ অদু পরপ পরপ তাম্নখি অদুবু তাম্নবা ফংখিদরে।

মীয়াম পুম্নমক অদু কিবনা ইরাং লাংদুনা কনাগী বর ওইরিবা গোপীকান্ত কনাগী বর শেম্নবা, কনাগী অকল-লম্মন, মুপী-নহা পাখং লৈশাবী মাঙুব খল্লিবা অদুগী মমুংদা চপ চপ লেপদুনা লৈরম্মী। গোপীকান্ত অদু ইরাং অদুদা লৈবা কিরক্লদুনা নিলকান্তগী মনাক্তা অম্নম অম্নম চংশিল্লম্মী। থুদক অদুদা থম্বালঙাংবীনা লৈ পরেং অদু গোপীকান্তগী ঙকশমদা হুক্রুগা হায়রম্মী,— "ইভা, ইভা থাংজিং চিংঙোন্দা লৈ থিরিবৈদা উনখিবদু মকম অসিদা অমুক হন্না উম্নরবেদো"। থারোশংবীসু লৈ পরেং অমা পায়রগা নিলকান্তগী ঙকশমদা হুক্রম্মী অদুগা হায়রম্মী,—"লোম্নোজবা খোইমু ঙাসিদগী নরোল খোক্লোকো"। নিলকান্তগী মপা মমাসু

লুকোংবা অদুদা য়াওরমদুনা থোরকদুনা মচা অমসুং মমৌবু মজল পীরম্মী।

জলুনটিয়র র্শিংনা লাওনরক্কী, 'ইকে ঐখোয়গী জলুনটিয়ার-শিংগী লিডর নিলকান্তদ লহাল মখৈ মোইরাংগী জলুনটিয়ার ওইদুনা সেবা তৌজরকপগী মতৌ কংলেদনা।" থরোশংবীনা নিল-কান্তদা নৈ হুকখরেদনা, "বর্দহারীমচা! সবাস! লুংজাইরেদা! মাগুন মপু অত্তু পোকুঙচান্দনা 'লুকোংবসু ডবর্ননা দক্ষিনাসু ডবল, মী অমত্তা লেংবীখগদ্দু, দক্ষিন ডগর্নন, পামা তাঙ্গা ডবল, কবোক পোনা ডবল ডবল, ডবল হাঙ্কনে কায়রদুনা লেপ-খৎতুনা য়াম্না কন্না হন্না হন্না লাওরম্মী।


থরোশংবীগী মপা মমালা তদ কমলগা ইতৈমগনা নচাম্নুপী থরোশংবগী ফনগা অদুম তৌখরো ঐখোয়না পোকচৈ হয়খু মচায় মখোয়গী নচানুপী এইজরবনে হায়রকপমজুদা কমলন ঐগী ইচাম্নুপী থরোশংবীগী দানবুদি ইপানা তৌদদে হায়দুনা নোটম্না য়াউ চাইকগুম কৈখরে।

জাবোক পুম্মক দক্ষিনা ডগল ডগল ফংনদুনা নুংঙাইখরে জসিগী লুহোংবসদে অংত্তুবু নাকল লুকোংবা ডগর্ননে, থানাগা লাকুনা মীহ হপপা ফানারবা, ফোটেগগ লৌনারবা, দান মং মরাকুগা নোমনা অমর্ন, অদুগা নবিনা মখোয়গী লুহোংবসিবে "ইতা, ইতা, থাংজৌং চৌজোন্দা নৈ থিরিছৈদা উংখিবদু অমুক হ

উনন্নবেদো" হান্নলদুনা লৈ হুরুবনিকু সুপী ঙাক্ত: লৈ হুরুন্নিবরা করিনো ইঙকপু ঙকচখরে হায়দুনা মহৈ মহৈ বা বা লাওনা কবোক চাবনা কবোক চা, কা চাবনা কা চা ভোৱদুনা বান্না শার শারদুনা হন্নখি।

সুংশি লৈকোন্দা শাৎপা লৈরাংদি,
ভা'বং শেন্না মপুগী খুৎশেমনি,
লমলানবা খোইমুনা শোককদে,
লম্মখাংদা মাংএনা তোকনি।

লোইরবা।



কোংজবা—

লাইরিক লেংবা

লেখকী মণিপুর ষ্টেট কলা একাডেমীগী
মতেং ফংলবা লাইরিকশিং—
১। অবোমকুমার লৌশংবা (ৱরীমচা)
ইং ১৯৭৬
২। থম্বালক্তাংবী (উপন্যাস) -- ইং ১৯৭৮

অহানবা থোকলম --
ফেব্রুয়ারী, ১৯৭৯
কপী লিশিং অমা

PRINTED AT THE TARUN PRINTING WORKS
PAONA BAZAR, IMPHAL.